# লৈনম লাংথা খুরবা

## ꯂꯩꯅꯝ ꯂꯥꯡꯊꯥ ꯈꯨꯔꯕ

লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র (মনি অবুজম) | ꯂꯨꯋꯥꯡꯆꯥ ꯑꯕꯨꯖꯝ ꯃꯅꯤꯚꯗ꯭ꯔ (ꯃꯅꯤ ꯑꯕꯨꯖꯝ)



বাংলাদেশতা মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙচৎ হৌঙৈদগী খ্বায়দগী মশীং য়াম্না লাইরিক ফোঙবসি শৈরেংগীনি। মদুগী খোঙলোয় ওইনা ঙসি নৌনা ফোঙলি লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র (মনি অবুজম)গী শৈরেং লাইরিক 'লৌনম লাংদা থুরবা'। মসি কবি মনি অবুজমগী মরন্নাই ওইনদি অহানবা লাইরিকনি।

অবুজমগী শৈরেং লাইরিক অসি মখল-মথেলগী মহাওনা পীক থলম্বা মচু কয়াগী লৈরাংনা লৈতেংলবা মপুঙ ফারবা য়েন্দাইনি। পুন্সিগী অৱা-নুংঙাইগী শক্তম কয়া শৈরেংগী নিংথিজরবা সুর-শঞ্জনা লৈতেংদুনা কবিনা খুদোল তম্মি খৌরাংনা ঙাইরিবা অপাবশিংগীদমক্তা। মতাঙ মতাঙদা কবিনা য়াম্না ফজ-ফজরবা লোন্দা-পুদা শিজিন্নবা থেংনৈ। নুংশি নুংশিরবা পান্দম-পুদম নত্রগা ইমেজরি কয়ানসু অপাবশিংবু লাংতক্লহনবা য়াওই।

সাহিত্যগী লমদা নৌনা খোঙদারকপা ওইরবসু অবুজম মনিভদ্র তুংগী য়াম্না আশা লৈবা লম্বী শাংনা চৎকদবা মতিঙ লৈবা খোঙমীনি। মঙোন্দগী ঐখোয়না মতীক মগুন চাউরবা অতৈসু মমল য়াম্নবা সাহিত্যগী খুদোল কয়াদং ফংলকখিনি হায়না আশা থম্লি।

**এ কে শেরাম**
প্রেসিডেন্ট
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ

# লৌনম লাংদা থুরবা
# ꯂꯧꯅꯝ ꯂꯥꯡꯗꯥ ꯊꯨꯔꯕꯥ


লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র (মনি অবুজম)

**ꯂꯨꯋꯥꯡꯆꯥ ꯑꯕꯨꯖꯝ ꯃꯅꯤꯚꯗ꯭ꯔ (ꯃꯅꯤ ꯑꯕꯨꯖꯝ)**



**ꯕꯥꯡꯂꯥꯗꯦꯁ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯁꯪꯁꯗ (ꯕꯥꯃꯁꯥꯁ)**

**বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বামসাস)**

৩৪/বি, লালাদিঘির পূর্বপাড়, সিলেট

লৌনম লাংদা থুরবা
লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র (মনি অবুজম)
অহানবা ফোঙবা : আগস্ট ২০২২

**অফোঙবা**
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
৩৪/বি, লালাদিঘির পূর্বপাড়, সিলেট

**নক্ষম**
ছাপাকানন, সিলেট
মোবাইল +৮৮০১৯৭১৩৩৬৪০৭

**Copyright**
অইবা মশামক
লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র (মনি অবুজম), হোমেরজান, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার

**মখুম**
শফিউদ্দিন আহমেদ কী আর্ট মতেঙ লৌদুনা

**লাইরিক ফংফম**
সানা মেডিকেল হল
প্রো: মনিভদ্র সিংহ
রাণীরবাজার, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার
মোবাইল : ০১৭১১-৭৮৪৮৩৪
ইমেইল-maniabuzam@gmail.com

**মমল**
লুপা ২৫০/- (লুপা চনি য়াঙৈখে)

Lounam Langda Thuraba, a book of poems by
Luwangcha Abujam Manibhadra (Mani Abujam)
First published: August 2022
Published by: Bangladesh Manipuri Sashitya Sangsad, Sylhet.
Price: Taka 250/- only.

ISBN : 978-981-95379-5-1

# কৎচবা

## মপুগী খুয়াদা তিনখ্রবা ঐবু পোকপা পন্থৌ অবুজম ধবল অমসুং অপোকপী পলেম অবুজমওংবী হাওবম চাওবীহল দেবীগী খুয়াখাদা



### অবুজম ধবলগী শম্লপ্পা পুন্সি-ৱারী

অবুজম ধবল বাংলাদেশকী মৌলভীবাজার জেলাগী কমলগঞ্জ থানাগী মনুঙ চনবা ভানুগাছকী হোমেরজান (মৈতৈশিংনা নীলকুঠি নত্রগা নগর হায়নসু খঙনবা খুলদা পোকখি। অপোকপগী মিং অবুজম থাবল, অপোকপী পলেমনা অবুজমওংবী ফজতোম্বী। মহাক্কী পুন্সি লোয়নবীনা লাইওইখ্রবা অবুজমওংবী চাউবীহল। মচা নিপা অনী, নুপী অনীনি। মহাক অসি হৌখিবা ২০২১ খ্রিষ্টাব্দগী ডিসেম্বরগী চৈচৎ ১৮দা মচা-মশু, মরী-মতা কয়াবু তুংওইনবিরম্মগা মশাগী চহী মর্ফুমঙা (৮৫) শুবদা লাইগী খুয়া তানখি।

অবুজম ধবল য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদনা মমা-মপা কাইনখি। লাইর-চিথবা অমসুং অৱা-অনংনা মরম ওইদুনা লাইরিক য়াম্না তম্বা ঙমখিদে, ক্লাশ থ্রি ফাওবতা তমখি। মদুদগী মীগী শেগাদা তাংজদুনা মীগী তুং ইন্দুনা থবক থনা শুজদুনা পুন্সি লেনবা হৌখি। সনা শুবগী বিদ্যা তমখি অমসুং মায়কৈসিদা য়াম্না মখূৎ নাম্বা হৈ-শিংবা সনা শুবা মী সুনারি অমা ওইনা মিংচৎ লৈখি, ভানুগাছ লৈবাক্তদা নত্তনা বাংলাদেশ শিন-থুংনা মীয়াম্না সুনারি ধবল হায়না শক খঙনখি। মীতৈ, মীতৈপাঙল অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়া নুপীগীদি সনা-লিক্কোন হায়বসি কেবগী তঙাইফদ্রবা পোৎলমশিংনি। অবুজম ধবলনা মীতৈ নুপীগী ঙকশমদা থোন্নবা লিকচাউ পরেং, থরোই মনিঙ, খাঙচ্রিক পরেং, শন্দ্রেম্বী পরেং, খৌরী নম্বী পরেং, পুঙ্দ্রুম পরেং; নাপগী লৈত্রেং ওইনা নাচোম-নাখোর, হৈবার নাচোম, বকুল লৈ নাচোম, মঙ্গে মনাগী নাচোম, হেনৌ মনাগী নাচোম অমসুং খুজিদনা সনা খুজি, মচিন নাইবী খুজি, অনন্তবালা, পোলা খুজি, ইলেক্ট্রিক চুড়িনচিংবা মখল মথেলগী সনাগী পোৎলমশিং শাবিরম্মি।

পনবা য়াবা অমনা, বাংলাদেশতা মীতৈ খুন্নায়গী ওইবা লাইনীং লাইশোন হিঙ্গৎহনবা অমসুং চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মশাগী ওইজবা কয়া তুংওইনা থম্লগা লেপ্তনা হোৎনবিরম্বা মীতৈ ফুরূপতা চাউনা থৌদাং লৌবিরম্বা মীওইনি অবুজম ধবল। মহাক 'বাংলাদেশ পোরৈ অপোকপা মরূপ'কী ফাউন্ডার মেম্বার অমা ওইনা মরূ ওইবা থৌদাং কয়া পুবিরম্মি, ফম কয়া পুবিরম্মি। মহাক্না লৈখিদবদা মায়কৈ কয়াদগী মীওই কয়া, সংস্থান কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকপিরকখি, লাইরম্লেন তানখ্রবা থৱায়-মিরেলবু মপূগী কাদা ইংনা-চিক্লা লৈরুনবা নিবিরকখি। মহাক্না পাঙথোক্লম্বা থৌদাং অমসুং খুন্নায় চাওখৎপগী লমদা তৌবিরম্বা দানবু ঙসিসু মীয়াম্না নিংশিংলি অমসুং শিংথানরি।

# ইনিংংলুবগী ৱাহৈ খরদং

মতমদো লাইরিক্ ক্লাস তরেৎ-নিপ্পান ফাওবদা তপ্লিবা মতমনি। মীতৈ লোন্দা ইথোক্পা লাইরিক য়াম্না মরাং কায়না থেংনজবা ফংখিদে, য়াম্না তাঙনা থোকই। সুপ্লতগী মীতৈ লোনগী য়ায়রোন লাইরিক মরি-মঙাখক্তমক পুন্সিগী অহানবদা থেংনখি। মরমদি পন্বা য়াই ঐবু পোক্পা ইপাবুং অবুজম ধবল মীতৈ ১৯৭০ খ্রিষ্টাব্দদা ইপাগী মমানবা অমসুং অহল্ য়ায়তোংবা খূৎ থেক্পা য়ারবা মখোয় খরা মীতৈ লাইনিং অপোক্পদা লাইমিং লৌখিরম্মী। বাংলাদেশকী মীতৈ খুনায়দা অহান্বা খুন্থোক্পা ওইনা। ইপাবুং মীতৈ লাইনিংদা অনৌবা য়াওল্ অমা পুরক্লিংখিবা মীওই অমনি। মদুনা মরম ওইবনা ঐবুসু ইপাবুংনা মীতৈ লোন্গী লাইরিক্ পাবা ইবা হৈনবা হায়না কন্না হোৎনবিখি। মদুগী মতুঙ ইন্না ঐঙোন্দসু ইনিংবা ফাওখিবনি হায়নিংঙি। মতমদুগী য়ায়রোন লাইরিক্শিংদুদা লোনয়ান্ অমত্তা য়াওদনা ইথোক্পা উরুবদা ঐগী পুক্লিঙদা অপেন্বা মীহৌবা তমজনিঙায় ওইবা অমা ফাওজরকখি। মদুদগী ফজ ফজরবা ৱাহৈ ৱাতা খরা মতেক্ মতেক্ ডাইরিদা ইশিন্দুনা থম্বা হৌজরকখি।

মরক্তা লাইফ স্ট্রাগলনা মরম ওইবনা ইবগী মায়কৈদা থোইনা মায় ওন্শিন্বা ঙম্খিদে। অদুবু থম্মোয়গী অপাম্বা মতুঙ ইন্না ইবগী খোঙচৎতি অমুক্ তপ্পা তপ্পা হৌজখি। হৌজিক্তি কম্পিউটার মতমনি, এন্ড্রয়েড মোবাইল খুথাংনা অহোয় হেন্না ইনোৎ হাপ্পি, মতেং ওইরি ইথোক্ ইশিন্দা অমসুং অমা অমগা শকখঙ মায়খঙনবদসু খুদোং চাবা পীরি।

হৌখিবা ২০১৫ খ্রিষ্টাব্দদগী ২০১৭ খ্রিষ্টাব্দ ফাওবদা ইখিবা ৱারেং অমসুং শৈরেং খোম্জিন্দুনাা লাইরিক্ মচা অহুম্ 'মৈঙাল্', 'ঈমা' অমসুং 'মালেম্ ঈমা' কৌবা লাইরিক্ ফোঙখ্রে ইয়াম্বা শরুবা মঙাংচা য়ুম্নাম্ চাওবা-গা কম্বাইন্ড এডিটর ওইদুনা। হন্দক্কী ঐগী 'লৌনম্ লাংদা থুরবা' কৌবা শৈরেংতগী ওইবা লাইরিক্ অসে লনায়গী ওইবা অহান্বা খুদোল্ তম্জবনি ময়ামগী মফম্দা।

লাইরিক্ অসি ফোঙবদা 'বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ' (বামসাস) কী থৌবুরেন্ ওইবিরিবা বাংলাদেশ মীতৈগী সাহিত্য খোঙচৎতা লুচিংপুরেল ওইবিরিবা কবি এ. কে. শেরাম ওজাগী নুংশি মীৎয়েং তাবিদুনা লাইরিক্ অসি ফোঙবদা থোইনা ইনোৎ হাপ্পিরি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা ইকাইখুম্নবা উৎচরি অমসুং তৌবিমল্ খঙবা উৎচরি। লাইরিক্ অসি চুন্না মীতৈ খোরিরোল পুকৈদা লৈঙোয় মফোল অমা হাপ্চিনজবনি।

হৌজিক্ মালেম্ দা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক্, মীতৈ খুনায়দা হরাও কুম্মৈ, অপেন্ পেন্দা, মীখা পোনবগী চৈনা অমসুং পুক্লিঙগী নুংশি নুঙোল্ পাউদম ৱাখল্লোনদা শৈথারগা ইথোক্চবনি। হৌজিক্কী মীতৈ খুনায়দা লোনয়ান য়াম্না শিজিন্নবা থেংনজে; ঐগী শৈরেং লাইরিক্ অসিদা য়ারিমখৈ লোনয়ান শিজিন্নদনা অয়াম্বা শৈরেং ইথোক্লবা হোৎনজখি। শৈরেংশিংসে পাবিদুনা অদোমগী থম্মোয়দা মফম্ খজিক্তং কনজবা ঙম্লবদি হোৎনজমন মহৈ য়াল্লে নিঙজগনি। লাইরিক্ অসি ফোঙবদা ঐগী ৱাখল্ পুক্লিঙ থৌগৎপিরক্পা অমসুং মতেং পীবিখিবা মরূপ মপাঙশিংগী মফম্দা তৌবিমল্ খঙবা উৎচরি।

তাইবং মীওইবা মপোক্ ঐখোয়সে 'লৌনম্ লাংদা থুরবা' ঙাক্তনি।

**লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র (মনি অবুজম)**

CS CamScanner

## য়াওফম তাকপা


লৈচিন্ নোংফায় লক্তা ৯
লাপ্লা ঙাহ্নোয়রিবা ১০
মীওইবা ১১
মহৈ পাম্বা উপাল ১২
নুংশিবা মনম চেম্বা ১৩
তুরেল্ ইচেল্ হঙ্গৎনা খক্ চেন্দবা ১৪
অমত্তনা শেম্বা মপোক্লি ১৫
মীরাইবা ১৬
কপ্লিংদনা কপ্পুবা ১৭
মীমানদ্রবা অমগী তেংথাখোল ১৮
অশিবা মপোক্ ১৯
নরিল ইরিল ২০
ওজা অমগী ৱাহৈ ২১
ঐদি নঙগী মঙফাওনি ২২
লাইজ-ঈরিক্ ২৩
ইঙেন থাগী নোংজু ২৪
ইমা লোল্ ২৫
তুরেল্ ঈচেল্ ২৬
ওজানা শক্পা ঈশৈনি ২৭
খংঙি ফংলোয় ওইজবা ২৮
অঙানবগী ফজবা ২৯
শিহুরি পিরাং ৩০
নুংঙায় লম্বী পাংলিবা ৩১
ইকোক্ থোংনা ৩২
মালেম্ লূম্ববা হিংলিবনি ৩৩
ঙাল্লিবা থাজ ৩৪
তিংখং অমমম্ শৈরেং অমমম্ ৩৫
৩৬ মায়খুম্
৩৭ ইঙনা চিক্লা তপ্লা
৩৮ কঙাওনরে
৩৯ অফাওবী
৪০ মীপায়জৈ
৪১ ইঙা থা
৪২ পুম্নমক্ অরেম্বনি
৪৩ অথোইবা মপোক্
৪৪ নুংশিজৈ
৪৫ জুন তরানিপ্পান্
৪৬ শাথলি লৈরাং
৪৭ চেল্লু কন্না
৪৮ অশিবগী মহাও ফংলবা
৪৯ ফজরবা শকফম্
৫০ কে-কু লোৎপা
৫১ উহৈ পাম্বীনি
৫২ অশিবা তুরেল্ লাইজ ঈচেল্
৫৩ খোঙশান্লক্পনি
৫৪ থুম্ য়াক্লে
৫৫ লায়না চেল্লে
৫৬ ক্বাক্
৫৭ লৌনম্ লাংদা থুরবা
৫৮ লাইচৎ
৫৯ সিদহৈদাক্
৬০ নায়তোম্ ঙাম্বনি
৬১ লীরক্কনু খোঙ্গুল্
৬২ মঙগী মঙলান্দা
৬৩ কুম্মৈ লোয়শিন্খি তুমিন্না
৬৪ মখোন্ হৌদে
৬৫ খোয়থুম্বা হৈ পাম্বী মহৈ
৬৬ অকিবা অমা ফাওরে
৬৭ অরাপ্পদা লেপ্পগা
৬৮ লমলাম্বা
৬৯ থাগৎ ৱাহৈ খজিক্
৭০ শেন্দোং তাম্বা
৭১ মরাল্ শীবিরে
৭২ কোয়চেন চেন্না খাঙলে
৭৩ তান্জা মতুঙ ইন্না

ঈয়েক লোন ৭৪
নাচুঙদা ৭৫
নিশাদা তাউবা* ৭৬
হিংলিবা মহিঙ ৭৭
কোরোনা অফাওবী ৭৮
নুংঙাইজরো ৭৯
কপ্পু ৮০
পাউখুম ফংলোইদবা ৱাহং ৮১
খোংজোম লান্ ৮২
মীনুংশি ৮৩
মহাও ৮৪
অচুম্বা ফজবা ঙাক্তনি ৮৫
থম্মোয় হুখ্রে ৮৬
থাংমৈ ৮৭
মীওইবা ৮৮
শজিবু চৈরাওবা ৮৯
থাজবা* ৯০
পুন্সি লান্ফম্ ৯১
মালেম লৈকোয়পুঙ ৯২
অমুবা মুক্ ৯৩
নুংশি ঈপাক্ ৯৪
উররোইদ্রবা মাবু ৯৫
লৌশিং চরোং ৯৬
নঙগীতমক্ ৯৭
লঙজ-খুবম্ ৯৮
নুংশি কিশি ৯৯
অশোয়বা ১০০
শৈরেংবা ১০১
নিঙবা কায়বা ১০২
ইমা ১০৩
লুপা ১০৫
খৌরাংবা ১০৬
ইপা ইমা ১০৭
মীওইবা ১০৮
হক্চাং ১০৯
ওইজবা থিবা ১১০
লৈচিল্লক্তা ১১১
মৈচাক্ ১১২

CamScanner

## লৈচিন্ নোংফায় লক্তা

কৌরি মানা ঐবু খুলাম তোয়না,
লৈচিন্ নোংফায় লক্তা লেপ্তুনা।

নুংশিথোইরবা খোঞ্জেলতনা,
নাপ-চিক্লা য়েররে কাউঙম্দ্রবা শৈথানা।

কোরৌ মশেক মঙালবু শিঙনদুনা,
লৈচিন্ নোংফায় অহোয় হেন্না মতিঙ ফুদোক্লা।

লেপ্লি ঐনা রাখল্ লৌশিং থোক্তনা,
খঞ্জা মঞ্জা পুক্নিং লৈতাফম খঙদনা।

শুফম নোঙ্ফম তুম্বা চাবা চঙদনা,
লৈহল্লে মাইকৈ শালাই মফম্ নাইহন্দনা।

চথ্লে কদায় চথ্রে কদায় নিংজিং মাংজিংনা,
চাশি মরু হুন্দোক্‌শি মতোং ওইবনা।

মতিক্ ময়ায় চঞ্খোলবা পাউখোলনা,
চিঙ লেম্লবা শক্লোন্ লৌরদুনা।

খাংলি পুক্নিঙ তথক্ তথক্ নিক্তুনা,
ইমাঙদা লেপ্লি অচৌবা চাংয়েং অমা ওইরদুনা।



CamScanner

## লাপ্না ঙাহ্নোয়রিবা

লাপ্না ঙাহ্নোয়রিবা থাজ-ও,
নুপা মচুগী মঙাল ফুদোঙবা,
ইতিক্ লৈজদে ইখুৎমক্লা লাম্বা,
অতিয়া থক্তা ঙাল্লিবা থাজ নঙতবু।

নোংপোক্ চিঙখৈ য়াথোকলম ঙান্না,
হাংলা অতিয়া কোক্থক্তা ঙাল্লরিদো।
নোংজাই ইতু মীচিক মীখোল্ তাদা,
থৌৱানমীচাক্লা অহোই হেন্না তাম্না,
মশিং থীঙম্দা তগুপ্ তগুপ্ নোক্লিদো,
মালেম্ লৈকোয় পুংচিক্ চিক্লা তূম্লিদো।

পূম্নমক্ লৈরি অদুবু করিমত্তা লৈতবগুম্না,
মঙ মঙলি মঙলান ঙম্খৈলক্তা,
নিংশিংখি মমাঙৈ হৌখ্র' পুন্সি ৱারি,
মকালাম্না ইরোয়না শানরি নিংশিং পরৈদা,
থম্মোয়দা নুংশি ইথিন্ মথি ফোংঙক্লি।

থাজ মঙাল্দা ইরুজদুনা কোয়চৎ চৎলি,
মীকূপ্তা য়ৌখি নুংশি মায়থোঙ মনাক্তা,
থম্মোয় লাইয়ুম মরাং হৌরক্লে মঙাল লক্তা।
লাক্কনু কৈদৌঙৈ থাজ নঙনা ইনাক্তা,
লেন্জগে পুন্সি চুপ্পা তাম্না লৈজদুনা,
তৌবতবু নিংশিং মৈরা ওইনা তাম্না অদুম্ লৈবিউ,
লেন্জগে পুন্সি নঙগী নিংশিং মঙলান্দা হিংদুনা।



CamScanner

## মীওইবা

কদায়দনো ঐখোয়গী মীরম্লেন?
মশা হিঙনবগী মীবু হাতোক্লি।

কদায়দনো ঐখোয়গী লাইনিংবা?
য়ায়রোনগী নামদা অতোপ্পা লাইনিংবু তাথিবিরি।

কদায়দনো ঐখোয়গী ৱাখল্লোন,
লানগী পান্দম্‌দা লিশিং লিশিং চাদিং তৌনরি।

কদায়দনো ঐখোয়গী মীনুংশি?
চাবা ফংদবনা মথবাক শরু কাপখৎলি।

কদায়দনো ঐখোয়গী থম্মোয়?
চাবা ফংদনা কপ্পা মীরাওখোলনা নুংশিৎ অসে লুম্লি।

কদায়দনো ঐখোয়গী চাওখৎপা?
শেগায়বা ফী মচেৎনা ইকায় ফীরূক থোংনা লেপ্লি।

কদায়দনো ঐখোয়গী মান্নবা খুনায়গী শক্তম?
মালেমগী শরুক্‌ অহুম্‌গী অমা লৈত-লাইরনা হিংলি।

কদায়দনো ঐখোয়গী অচুম্বা ফজবা?
লাইরবী মমানা মচাদা থেম্লি নবুক থন্না পীজগে সোয়দনা।

## মহৈ পাম্বা উপাল

মহৈ পাম্বা উপাল্‌দা,
মমীৎ থাল্লি মীয়াম্না,
লৈতূম্ লংশিল্লি,
মীহৌ করাম্বা পোক্‌হল্লী।

মহৈ পাল্লিবা উপাল্‌না,
মরায় লুক্‌থনা খাঙলি,
তুমিন্  খাঙনা লেপ্লী,
তৌদে কনাবুসু মীরাইবা।

লাক্লবা হোৎনবা কম্বনা,
মহৈ খজিক্ হেক্‌চখি,
মনাক খজিক নক্‌চখি,
হোৎনজমন মহৈ য়ানখি।

পাল্লি মহৈ চংখোন্না,
লেপ্লি মরায় লুক্‌থনা,
ফীদম্নিঙায় ওইবা মশক্লি,
মাইকৈ শিন্না মঙাল্ ফুদোক্লি।

## নুংশিবা মনম চেন্বা

লৈনম নুংশিবা মনম চেন্বা,
চৎতুনা কোয়থি থিদুনা হেক্রুগা,
নাতোন মনাক্তা পুশিন্দুনা মনম লৌনৈ।

ফৎতবা মনম নম্থি হাথি চেন্বা,
চৎতুনা কোয়থি থিবা মথৌ তাদে,
নম্লরি মনম ফুদোক্লি মায়কৈ শিন্না।

মতিক ময়ায় লৈবা চংখোনবা,
মনাক খজিক নক্চবা ঙম্বা,
কোয়না চৎতুনা থিদুনা মনাক নকচৈ।

ফৎতবা মীওই মহু চেন্বা,
মনাক নক্লুবা লাইচুবা পোক্লি,
মহাক্কী মনাক্তগী লাপ্থোক্লবা হোৎনৈ।

নঙনা ইনাক্ কৈরাক্ খুন্বা ওইরবা,
নুংঙায় য়ায়ফা মরাঙ কায়বা ওইরবা,
লাপ্লখ্রবা মরি মতাইসু খোঙ্গুল লিরক্কনি।

নঙনা লৈত-লাইরবা ওইরবা,
চারম চদৎনবা অনঙবা ওইরবা,
নক্লারবা মরি মতাইনসু ননাক্তগী লাপ্থোক্খিনি।



CamScanner

## তুরেল্ ইচেল্ হঙ্গৎনা খক্ চেন্দবা

অচৌবগিনা অচৌবা মায়োক,
মচাগিনা মচা মায়োক।

ফজবগিনা ফজবা ব়াহৈ ব়াতা,
অথিবগিনা অথিবা ব়াহৈ ব়াতা।

য়াম্না চারগা য়াম্না লৈবুঙবা,
লিক্লা চারগা লিক্লা লৈবুঙবা।

ইনাকখুম্বনা তৌথোরক্পা থবক্লা কুম্মৈ,
লাইরবনা তৌথোরক্পা থবকক্লা হেনফদ্রবা।

অতোঙবদা অহোই অমুক লৈতোঙবা
অকূৎপদা অহোই হেন্না কূৎহন্লিবা।

মবুক লাম্দবা মীদা চাগেরা হংলি,
মবুক অরাম্বা মীদা চাগেরা হংবিদে।

হুরাম্বা হুরাম্বা মশেন্ মবাই ওইনৈ,
মপা চানবা য়েংনা খুদোপ্ শিনৈ।

অঙৌবনা অঙৌবগা মীৎ চানৈ,
অমুবনা অমুবগা মীৎ চানৈ।

অঙক্পনি তাইবং লোনচৎ চৎনবা,,
তুরেল ইচেল হঙ্গৎনা খক্ চেন্দবা।

## অমত্তনা শেম্বা মপোক্লি

মীৎনা উবা ফংদবা মাবু,
কোইচৎ চৎনা কোইথি থিরি,
থিবা হোৎনবদা ইপুম্ থীৎনরি,
লেপ্পা লৈতনা শোন্নরি নিঙনরি
কদায় চথ্রে কদায় লৈরি,
নামৎ কয়া চঙনা থিনরি।
করম্বা মহৈনা উজবা ফংগনি,
লম্বী মায়কৈ মশিং য়াম্মি,
মাগী মাগী লম্বী খায়দোক্লি,
খরনা নোংপোক্ মায়কৈ পাংলি,
খরনা নোংচুপ্ মাইকৈ পাংলি,
খরনা খা হারম্‌তবু তম্লি,
খরনা অৱাংতবু ওল্লি।
থেংনবা কৌবা খক্ লৈতে,
উবা ফংনদে কনা অমত্তনা।
মাঙদা লেপ্লিবা মাবু নুংশিবিয়ু,
মীৎনা উরিবা মানা অচুম্বনি,
মহাক্তি নক্লা লাপ্পা লৈবনি,
শক্কনি মদুতনা ফংজবা মাবু।
উরিবা মাবু নুংশিবা ঙম্‌দবা নঙনা,
উদ্রিবা মাবু নুংশিরুবগী লৈতে কান্নবা।
থৱায় পাম্বা মপোক্ পুম্নমক্,
খল্লু অমত্তনা শেম্বা মপোক্লি।



CamScanner

## মীরাইবা

ঐবু নুংশিবিবা অদু নঙগী নতিকনি,
নুংশিবিদ্রিবা অদুসু নঙগী নয়ায়নি,
নুংশিবিরগনা থম্জগে থম্মোয়দা,
নুংশিবিদ্রগনা থম্জগে ৱাখলদা।

তৌবতবু মীরাইবদি খক্ তৌবিগনু,
মীরাইবা অকিবা ফংবগী মশকনি।
করিগুম্বা মীরাইবিরবা কৈদৌঙৈ,
হিংনিংবগী মহাও য়াওদ্রবা ওইখিনি।

শিথরক্লি মহাও নোংমা নোংমগী,
কায়থরক্লি শাগৎলুবা ৱাখল্ চরোং,
অমম্বনা লাঙ্গোয় চনখ্রগদবা,
লুপ্‌খিগদবা হিগী হীরেন পাইরুবা।

মীরাইরে অশেঙবা মরূপনি খন্বিদনা,
লৈগী লৈনম্ মতম্ শাংনা লৈয়ু য়াদে,
ঙসি শাৎলগা হয়েং খুইনা লোথখি,
মীরাইবগী চৈনা কুইনা খাঙবা য়াখিদে।

ঐবু নুংশিবিবা অদু নঙগী নতিকনি,
নুংশিবিদ্রিবা অদুসু নঙগী ময়ায়নি,
নুংশিবিরগনা থম্জগে থম্মোয়দা,
নুংশিবিদ্রগনা থম্জগে ৱাখলদা।



CamScanner

## কপ্লিংদনা কপ্লুবা

ইকপ্ কপ্লিংদনা কপ্লুবা,
পিরাং শিঙ্খৌ হায়বা য়াদ্রে,
মীসু কপ্নে হায়না কপ্লুবনি,
করি মরম্গী কপ্লিবনো খঙদনা,
মরম্ খঙলবা মতুঙ কপ্লিংখি,
ও-খোংনা পেন্না কপ্লিংলি,
পিরাং কংঙু য়াদনা শিঙ্খরি।

ইনোক্ নোক্লিংদনা নোক্লুবা,
মখোন্ থোকয়ু হায়বা য়াদ্রে,
মীসু নোক্নে হায়না নোক্লুবনি,
করি মরম্গী নোক্লিবনো খঙদনা,
মরম খঙলবা মতুঙ নোক্লিংলি,
ইতোম্তা ফাক্ ফাক্ নোক্লে,
মীনা অঙাওবনি হায়রক্লে।

ইপাম্ পাম্দনা অপাম্বা শারুবা,
মচু ইতা তাউ হায়বা য়াদ্রে,
মীসু পাম্নে হায়না পাম্লুবনি,
করি মরম্গী পাম্লুবনো খঙদনা,
মরম্ খঙলবা মতুঙ পাম্লক্লে,
নুংশি পাউখোঙ চল্লুরে,
অদুগা মীগি ওইনা লৈরম্লে।

ইচা চানিংদা চাশিল্লুবা,
পুক্ নুংশিৎ কাদুনা লৈরে,
মীসু চানৈ হায়না চারুবনি।
অরাম্ খৌরাংবা পোক্পা মতম্দা,
লৈরিঙৈ ফুদাও নদাওনখিবা,
চাথোক্পদা অৱাবা লৈখিদবা,
লাম্লবদা চানিংবা চাবা ফংদ্রে।



CamScanner

## মীমান্দ্রবা অমগী তেংথাখোল

হো মীনুংশি চেন্বা নঙবু কদায় চৎখ্রে,
পীনবিয়ু ঐঙোন্দসু খজিক্তং মীনুংশি।
ঐসু লু-তোং শানা শারবা মীওই অমনি,
চেল্লি ইশাদা ঈরিক্ নখোয়দা চেন্বগুম।
মীগা মীমান্দ্রবা পুন্সি ওইরুবনা,
নখোয়গুম্ চেন্না চোংনা শানবা ঙম্দে।
ঐসু ইমাগী খোইজী-খাদগী পোক্লক্পনি,
ঐনা তাইবংদা লাক্পদি ঐগি ইরাল্ ওইগদ্রা?
লৈরি ঐঙোন্দা মীওইবগী পুক্নিং ৱাখল,
লৈরি ঐঙোন্দা মীওয়বগী অরাম-খৌরাংবা,
লৈরি ঐগীসু হিঙবগী হক্ মী অমা ওইনা,
লৈরি ঐগীসু  মীনুংশি ফংবগী হক্ নখোয়দা।
অদুবু পীবিদে মীনুংশি মচেৎ খরতং ঐঙোন্দা,
উরগা ইতৌতবু নখোয়না কি-তুকৎচবা পোক্লিবা,
নাথৈরগা চৎখি ইনাক্তগী লাপ্‌থোক্লা লেপ্লিবা,
লেপ্লরগা ইনাক্তা লাইচুরগনি মতাগুম্লবা।
লৈতে অহোংবা নখোয়গী মীথয়েং অখাবগী,
পীবিদে তিন্বা নখোয়গী নরক্তা চৎনবা অদুক্কী।
ঐসু উথনিংঙি মীনুংশি চেন্বা নখোয়দা,
তৌনিংঙি থৌগল্ খুনায় অমসুং লৈবাক্কী।
পিনবিয়ু থৌনা মীনুংশি পোক্‌হন্বা ঙম্বা নখোয়গী।
পাম্দে হিংবা নাইতোম্ তিন্নিংঙি নখোয় নরক্তা।
পাম্লুই হিংবগী মহাও খজিক্ হায়জবনি,
পিনবিয়ু থৌনা তাইবং মীওইবা মপোক্কী।
মীমান্দ্রবা অমগী তেংথাখোল তাবিয়ু,
হো মীনুংশি চেন্বা নঙবু কদায় চৎখ্রে,
পিনবিয়ু ঐঙোন্দসু খজিক্তং মীনুংশি।



CamScanner

## অশিবা মপোক্

লৈখিদ্রবা অমগী পাউনা
ময়াম্ পুম্নমক্ খংপ্রেক্ খংনা।
চপ লাউনা লেপ্লা লৈনখি।
ইকং কংনা খাক্পা গুম্খি।
অতিয়া কোক্থক্তা কায়না তারক্খি।
চৎলম্বা পুঙজা লেপ্খি।
শিৎলম্বা নুংশিৎ লেপ্খি।
চারম্ থক্লুম্বা তোক্লখি,
শুরম্ নোম্লম্বা লেপ্লখি,
তিঙক্ চানা লেপ্লা লৈনখি।
করি নুংগি তাইবংনো,
করি পাউনো তারিবসে,
মসিবু ওইথোক্পা য়াবা পাউরা?
ওইথোক্পা খক্ ঙস্লোয়,
হায়না হায়না মদোম চৎখি,
লেপ্লম্বা পুঙজা চৎপা হৌখি,
লেপ্লম্বা নুংশিৎ লিরি হুম্খি,
মায়কৈ শিনথুংনা শন্দোক্খ্রে,
নুংঙাইতে নুংঙাইতে শোন্নখ্রে,
অশিবা কৌবা মানা,
থোঙজিন্দা লেপ্লরবদা,
খাম্বা ঙস্লোয় কনামত্তনা,
শান্নরম্বা তাইবং কুম্মৈ লোম্খি,
মশিং থীঙম্দা ব্রাহঙ কয়া পোক্খি,
অদুবু অশিবা মপোক্ হায়বসিনা,
অচুম্বা পাউখুম্ পীবা ওইরম্লে।



CamScanner

## নরিল ইরিল

নরিল্ ইরিল্ খঙনরবা ঙাক্তনি,
কনানা কয়ামুক্ তৌবা ঙম্রি,
নখুৎ কয়ামুক্ য়ৌনা শাংলি,
খোঙথাং কদোম্দা থাংনিংলিবা,
করম্বা ৱাখলদা লূপ্তুনা লৈরিবা,
করম্বা হিদেলগী ঈশিং থক্লিবা,
করম্বা চাক্চা য়ুথাক্ থক্লিবা,
করম্বা লম্চৎ শাজৎ হৈনবা,
করম্বা লান্ফম মফম্দা পোক্লক্পনো,
করম্বা মীরৈ চারৈদা চাক্তারক্পনো,
করম্বা ঈশিং নুংশিৎতা চাউরক্পনো,
হৌজিক্লা করম্বা মহিং হিংলিবা?
পূম্নমক্ শীৎ শীৎনা খঙনরবা,
হোত্রোং হোনা উনরবা ঙাক্তনি।
অদুমক্তা নশক্তম্ লোৎনবা লাক্লরিবা,
মীমাঙদা ফোংদনা কোয়চেন্ চেল্লিবা,
লোৎনবা হোৎনবদা নপুম্ থিৎলিবা,
নথম্মোয়দা মীপাইবা অমা পোক্লিবা,
খুম্লিবা ফিরূক পাইথোক্খিদনবা,
নপুক্লিংদা চিংনবা অমা ফাওরিবা।
কয়ানি লোৎতুনা লৈবা ঙম্গনি,
অশেংবদি নোংমা সোয়দনা লেপ্পগনি,
নোংমা নত্রে নোংমা ফোঙলগনি।
নরিল্ ইরিল খঙনবা ঙাক্তনি,
নুমিৎ কয়ানি লোৎতুনা লৈখিগনি,
য়ৌদ্রিবরা মতম্ নঙগী উৎথোক্লবগী?



CamScanner

## ওজা অমগী ৱাহৈ

ওজা অমগী ৱাহৈনা,
লৈতবা ঙম্‌দনা লৈহল্লে।
মরিক্‌ চুম্লবা ৱাহৈনা,
ওমচাক্লদুনা লৈহল্লে।
করিগুম্বদা থম্মোয়,
করিগুম্বদা ৱাখল,
করিগুম্বদা পুক্নিঙ,
করিগুম্বদা ইকোক্কি ঈরিক্তা,
লাইচুদুনা লৈহন্‌খি!
মসিবু ওজাগী মতিক্‌ ময়ায়রা?
নত্রগা ওজাগী নুংশি পাওখোঙরা?
নত্রগা লৈশেম্‌ মপূগী ৱায়েলরা?
ওজাগী নুংশি পাওখোঙ,
ঐবু তপ্পা তপ্পা পুন্সি লম্‌দাঙ লম্‌জিংলি,
লমহুক্লুরবা হিমায় চুমকলি,
লিতাঙ নাইনা পল্লুং মায়কৈতবু তম্লকলি,
লৈজবা লৌশিং মতিঙ ফুদোকলি।
শিঙম্‌দ্রবা ওজাগী পাওখোঙ,
কাওজদে মতম লৈবা খিবিক্তা,
মপোক্‌ ওজাগী অথোয়বগী অথোয়বা,
ওইহল্লে নুংশিবগী ৱাহল্লোক্‌,
নুংশিবগী শংবানরবা অতিয়াদা ঙাল্লোয়রিবা।



CamScanner

## ঐদি নঙগী মঙফাওনি

ঐসে ঐগী ওইরমদ্রে,
নঙগী ঙাক্তনি পুন্নমক্।
নঙগী খুশিন থৌরাংনা,
লাইশোন্ ওইনা শোন্নবা,
নঙনা ঐবু শেম্খিবা।
ঐদি নঙগী মঙলান্নি,
মঙলুবা মঙগী মঙফাওনি।
লেপ্প্রি ঐনা নমাঙদা,
ৱাহং ময়ামগা লোয়ননা?
নঙনা পিজরগা চানি,
নঙনা পিথক্লগা থক্কনি,
নঙনা চান্বনা হিংলিবনি,
ইতিক্ লৈজদে ৱারৌবগি।
পাঙথোক্কনি নথৌদাং,
থৌরম মতুঙ ইন্না,
ওয়াযেল মতুং ইন্না,
পাওখোন মতুঙ ইন্না।
শিল্লিবা খুশিন থৌরাং,
নুংশিবা চেঙলৌ শক্তম্,
পাল্লিবা মাইথোং থাজ,
পুন্নমক্ নঙগী কুম্মৈনি।
ফংখিদে পাওখুম্ অমত্তনা,
ঙসি য়ৌবগী মনুঙসিদা।
খঙজরে ঙসিদি অরেম্বনি,
য়াচংঙক্লবা মতম য়ৌরবদা,
ঐসে ঐগী ওইরমদরে,
নঙগী ঙাক্তনি পুন্নমক্।

## লাইজ-ঈরিক্

তেল্লবা পুন্সিগী শাংলবা লম্বিসিদা,
খজিক্তং ফংলবদি নিঙজরুবা,
নঙগী নুংশি লাইজ-ঈরিক্,
পুন্সি মহৈ য়াঞ্জগে খঞ্জদুনা।
অদুবু ঙসিদি নঙনা ইফম্‌দা,
পীবিরক্‌পা নুংশি লাইজ-ঈরিক্,
ফীগাও ঐগী চন্দরে,
থমফম্ খঙদনা তিঙক্লরে,
কদায়দবু থম্লসিগবা,
কদায়দবু লোৎলসিগবা।
অসুক্ য়াম্না ফজবা,
অসুক য়াম্না ঙাল্লবা,
অদুক্কী মতিক্ নিংথিবা,
অদুক্কী মতিক্ চঞ্জোখাল্লিবা।
হরাও মথোই কারক্লে,
নুংঙায় মতোন লোম্লক্লে।
ৱাখল্ লৈতাফম্ খঙদনা,
পুক্নিং ইথক্ ইপোম্ কানা,
থম্মোয় লাইয়ুম্ মরাঙ হৌনা,
শিংলি ইচেল্ জিঙ জিঙ লাওনা,
নঙনা পীবিরক্‌পা নুংশি লাইজ-ঈরিক্,
ফীগাও ঐগী চন্দরে,
কদায়দবু থম্লসিগবা,
কদায়দবু লোৎলসিগবা।

## ইঙেন থাগী নোংজু

ইঙেন থাগী নোংজু নঙবু উরুবদা,
অদুক্কী মতিক্ হরাওজৈ থম্মোয়দা।
হাঙলবা নোংথক্তগী ঝর ঝর শিন্থুরি,
তাবদা নখোন পুক্লিংদা মথি ফোংলি।
খৌরাংবা ৱাখল্ লৌশিং মরাঙ হৌরি,
শৈরেংবা কয়াগী শৈরেং লৈরাং মতিক চোল্লি।

ইঙেন্ থাগী নোংজু নঙনা,
কুম্‌গী শোয়ফদনা চুথরক্‌পনা,
নোংগৌবা নোংগৌবী চেক্লা,
কয়াগী খৌরাংবা কোক্‌হল্লে।
লৌউবা লৌউবী লৈবাক্‌চাগী
তাইবং শিন্থা মীৎ-মাই পাঙহন্‌লে।
নঙগী লাইজ-ঈরিক্লা লৈকোয়পুঙ
তনিক তনিক নিংথিরে লবুক্ লমহাং।

ইঙেন্ থাগী নোংজু নঙদি,
লৈশেমঙৈদগী কুম্‌জা শিন্থা পুবিনি।
তাইবং-মী, শা-ঙা, উচেক্-ওয়া,
উহৈ-ৱাহৈ, নাপি-শিঙবী মতোন্ চোংহল্লি।
কংলুরবা তুরেল্ ইরম্ ইখোং খোংবাল্ ঈচেল্,
ইমায় পানা চেন্থরি পন্থুঙ মায়কৈ তম্না।

ইঙেন থাগী নোংজু নঙবু,
লৈশেম্ পরিং ইঙহন্দুনা থম্লিবা,
ৱাহং অমদি হংনিঙবা পোক্লি,
নঙগী নোংজু লাইজা নতিক্ চাউবা,
কনাগী শিন্থা ৱায়েল্ পুবনো,
হাইয়ু ঐঙোন্দা পাওখুম্ অমুক্তং নিংথিবী?



CamScanner

## ইমা লোল্

ইমা লোল্না ঙাঙলসি,
ইমা লোল্না শরুসি,
ইমা লোল্না শোন্‌লসি,
ইমা লোল্না নিঙলসি,
ইমা লোল্না মঙ মঙলসি,
ইমা লোল্না খবোম থন্না লাউরসি,
ইমা লোল চাওখৎ থৌদাং লৌরসি,
ইমা লোল্ মতিক্ মঙাল্ ফুদোক্‌হল্লসি,
ইমা লোল্ মালেম শিন থুংনা ঙালহল্লসি,
ইমা লোলগী নুমিৎনা লাক্‌পসিদা,
নৌনা অমুক্ ৱাশক্ লৌরসি,
ইমা লোল্ কৈদৌঙৈ মীরাইরোয়সি।
খারোম্‌দা চেপ্পে এইয়ো ইমা,
অৱাংলোম্‌দা চেপ্পে এইয়ো ইমা,
খুদি থীবা নংলে এইয়ো ইমা,
পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ্ ফাওবদা,
ইমা ইমা কৌজে অকাউনুঙ লৈতনা,
থৱায়গা হক্‌চাংগা কায়নরম্‌দায়,
ইমা নঙবু শোঙ্গে লাইশোনতবু ওইরদুনা,
ইমা লোলবু নিঙলসি,
ইমা লোলবু শোন্‌লসি।
ইমা লোল্না শক্‌চরি ইশৈ শৈথা,
ইমা লোল্না ইথোক্লি শৈরেং শৈদম্,
ইমা লোল্না লিজরি ৱারি লিখুন্।

## তুরেল্ ঈচেল্

পুন্সি খোঙচৎ লম্‌তুপ্ লম্‌দাঙদা
করম্বা অফবা থৌদাং তৌরুবা মহৈনা,
লাইকু সাইকু নঙগা থেংনবা।

তুরেল্ ঈচেল্ চেহ্থম্ খঙদনা,
লৈখিবনি লাইজ-ঈচেল মৌখৎতুনা,
ঙসিদি তুরেল্ ঈচেল্ লিতাং চুন্না চেহ্থরে।

চেল্লি তুরেল্ ঈচেল্ থেকোই মাকোই,
লেপ্লে মিতম্ ঙানা হিদানেই ইরোল্লুংদা,
য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয় লাইয়ুন্না।

ফীবান অনিদা হিংলি কয়া থৱায় পাম্বা,
উরগা তুরেল্ ঈচেল্ মতৌতবু পেন্থোক্‌চৈ,
য়েল্লি নুংশি লাইজা মীচং মীখাই নাইদনা।

তুরেল্ ঈচেল্ ঈয়ায়দা হিহোম্বনা হিবু হোল্লি,
অপাম্ নুংশি নুংঙোল্ ঈশৈ শৈহেক্ শৈথানা,
খুলঙ ঈশৈ খম্বা-থোইবী ঈশৈ শক্লা শক্লা।

নৌনা পাইবা হৈরক্‌পা পোম্বী চেক্লা সঙ্গু,
য়া-য়া লাউনা পাইরি তুরেল্ ৱাংমদা,
ফীবান্ অনি অমত্তা ওইনা নিংথিজরি।

করম্বা অফবা থৌদাং তৌরুবা মহৈনা,
পুন্সি খোংলোয় নশাবী নঙবু থেংনবা?
কংলুরবা তুরেল্ ঈচেল্ লিতাং চুন্না চেহ্থরে।

## ওজানা শক্পা ঈশৈনি

ওজানা শক্পা ঈশৈনি,
খোলেক্ খোন্জা শিংথানিঙায়নি,
তান্জা মেন্জা অমত্তা শোয়বা য়াওদে।
শৈহেক্ শৈথা মতিক্ চোন্না ফজে,
পাঙলিবা মমীৎ কূপ্তনা য়েংনৈ,
মনা শেংনা থাঙ্গৎনা তানৈ,
চেক্ মুক্ লাউদা তুমিন্না লৈনৈ,
নুংশা স্বর তপ্পা তপ্পা হোল্লি,
ঈশৈ শৈথা থম্মোয়দা ধং ধং পাল্লি।
পুক্লিঙদা খোইরাংবা পোকহল্লি,
ৱাখল্ মওং মওং লোংহল্লি,
ওজাবু শিংথাই ঙম্খৈ লৈতনা,
পুমনিল নিল্লি থাগৎ ৱাহৈনা,
তিল্লি মীনা চীৎ চাইবা ঙম্দনা।

ঐনা শক্পা ঈশৈনি,
খোলেক্ খোন্জু নুংশিবা পোক্তে,
তান্জা মেন্জা পুঙহো হোরৎলে।
শৈহেক্ শৈথা মথোঙ মরম্ ইচা চাদে,
মমীৎনা মুনা অমুক্তা ফাওবা য়েংদে,
পাঙলম্বা মমীৎ উইশিন্দুনা লৈনখি,
মনা লশিংনা মেন্দুনা তাদনা খাঙখি।
পুক্লিঙদা খোয়শাওনবা পোক্হল্লে,
মীসু ময়াম্ শক্লে হায়না মশক্লে,
মতিক্ মপা চান্নে চানদে য়েংদে,
কাঙ তুমিৎ অমা ফাওবা পাইদে।

## খংঙি ফংলোয় ওইজবা

শেন্দোং তাম্বা লাক্পদি,
শেলেপ্ মাঙদুনা হল্লেদো।
খংঙি ফংলোয় ওইজবা করিগুম্বা,
অদুবু নুংশিদুনা চৎখিনি পুন্সিনা,
তাম্না  লৈরিবা মহাক্তবু নিঙলদুনা।
খংঙি লৈরাং মানা শাৎপদি,
মশাগী ওইজবা য়াওদে করিগুম্বা অমত্তা,
অদুবু পোম্লি শাৎলি য়েল্লি লৈনমতবু।
মদুতনা লৈরাং থৌজালগী মশক্কি,
ওইরি লৈরাং মপোক্ অথোইবা।
মীওইবগী হৌনশা নুংশি ঈরিক্ চেল্লিবা,
মীহৌ করাম্বা পোক্হন্বা ঙম্লিবা,
পামু নতিক্ নয়ায় চঙ্খোম্বা,
পুন্সি কুম্মৈ মশেক্ মঙাল্ ওইরিবা,
অরেম্বনি ঐগীতা ওইজগে খল্লুবা।
চৎখিগদবা লৈরবা থরায় পাম্বা,
নোংমা নিনিগি তাইবং মপোক্।
খংঙি করিসু লোয়নদুনা পুরোই,
লাক্পদা তিংথোক্লগা লাক্পনি,
লমখাঙদা খুদুম্ ঙাক্ চল্লুবনি,
হম্বদসু তিংথোক্লগা হন্খিনি।
খংঙি ফংলোয় ওইজবা করিগুম্বা,
অদুবু নুংশিদুনা চৎখিনি পুন্সিনা,
তাম্না লৈরিবা মহাক্তবু নিঙলদুনা।

## অঙানবগী ফজবা

পুন্সিগী অহোংবা অমা পুরক্লবগী,
খোঙজং অমা লেপ্তনা থাংজিল্লী।
অহোংবা মাদি লাপ্পা অদুম্ লেপ্লি,
হায়বা ঙম্দে কয়াম্ লাপ্পা লেপ্লি।
লম্বী চৎলিমখৈ নক্‌শিন্‌লক্‌পা মশিন্নি,
অমম্বা অহিং তাংলৌ থেংলিমখৈ,
নক্লিক্‌ই তাঙফম্ নোংঙান্‌লম্‌দাই।
অঙানবাা মাগী ফজবা মীহৌদবা লৈতে,
মম্লম্বা পুন্নমক্ কোক্তুনা পুম্‌ঙান্ ঙাল্লি।
অঙানবা মাগী মতুঙ তান্নবা হোৎনৈ,
হক্‌চাং ইরু ইয়াঙ কেম্না লোই,
তপ্পা তপ্পা ঈগী ইচেল্ তপ্থৈ,
থম্মোয় মীহুন্ কাঙলোন্ নেম্থৈ,
লেপ্তে তানবা শোলি মালি চঙশিল্লী,
নিঙজরিবা অহোংবা মাবু তানৈ,
খোঙজং মরক্তা লম্বী লমহুক্‌নৈ,
ইশানা ইশাগী লম্বী ব্লারক্‌চৈ।
অফৈবা লম্বীদা লম্‌জিংনা পুবিরি,
অমুক্ হন্না চৎলগে খন্দবসু নত্তে,
থব্লায় মানা য়াবা ঙম্‌খিদে।
পুন্সিগী অহাঙবা অহোবা মেন্নবা,
খোঙজং অমা লেপ্তনা চঙলিবা,
মহাক্তি সোয়দনা অহোঙবা ফংলি।
নোংমা ফজবা অহোঙবা লাক্‌খি,
য়েংবদা অদুক্কী মতিক্ ফজখি,
উরুরগা অঙানবগী ফজবা পেন্নৈ।

## শিন্থরি পিরাং

শিন্থরি পিরাং হরাও মথোই কারদুনা,
পুক্নিঙদা অপেন্বা ফাওবগী মীৎলু পিরাং,
উৎথোক্নি পিরাং লৎনবা লৈতনা মীমাঙদা,
ফোংনা চাউথোক্‌চৈ শিন্থরিবা পিরাংগী।

শিন্থরি পিরাং অৱা চৈথেং ফংলদুনা,
থম্মোয়'নুংদা চাক্‌থেক্লুনা শিন্থরক্‌পা মীৎলু পিরাং,
লোৎনবা হোৎনবদা পিরাং মপুমতবু থীৎলি,
উৎথোক্তে পিরাং কৈদৌঙৈ তাইবং মীমাঙদা।

মাই পাক্লক্‌পগী পিরাং শিন্থবদি অতাঙবনি,
ওইথোক্তে শিন্থবা পিরাং পঙনা থোক্লা,
মতিক্ ময়ায় চঙ্খোনবা মাতনা শিন্থবা ঙম্‌খি,
হোৎনবা কন্বা মতানা পিরাং ফংবা ঙম্‌খি।

মাই থীবগী পিরাং শিন্থবদি অহোঙবনি,
পিবিদে মমল্ য়াওদ্রবা পিরাং মাগী,
থেম্বিনিঙায় লৈতে শিন্থরিবা পিরাংগী,
নাকোইননা লৈথোক্লুনা থৈরগা চৎখি।

শিন্থরি পিরাং মখল্ মথেল্ কয়াগী,
য়েংনরি তাইবংনা কুম্মৈ ঙাক্তনি খন্দুনা,
নোংমদি ওইরি মহাক্কীসু য়েংনফম্,
অফ-নুংঙায় অৱা-মৈশাদা শিন্থরিবা পিরাং।

## নুংঙায় লম্বী পাংলিবা

কদায় চৎলে নতোম্ তুমিন্,
কনা অমত্তা তাক্লম্‌দনা তুমিন্,
লৎনবা করিগুম্বা অমতা য়াওদনা।
কনা অমত্তা লোয়নগে খন্দ্রবা,
ঐবুতদি অমুক্তং হৌরম্বা য়াবনি,
নঙসে নবুক্‌চেল্ য়াম্না শেংদে,
নতোম্ নুংঙায় লম্বী পাংলিবা।
খল্লি নঙনা ঐগি অশেঙবা মরূপ্লি,
খন্‌খি নঙনসু ঐবু অশেঙবা মরূপ্লি।
ঐবুদি তাক্লম্বা য়াবনি চৎলম্‌দায়দা,
লৈনিংবা পোক্রবা মীরাওখোল্ মরক্সিদা।
অচিক্‌পা লৈকোয়পুঙ তম্না চৎলিবা,
য়েংহৈদ্রে শানরিবা কুম্মৈ ময়ামসে,
অঙম্ অঙম্বা শেগাইনবা মরক্সিদা।
মীরম্লেন্ ওইবা অমত্তা য়াওদনা,
হিংচা য়াইতম্ শক্লোন্ লৌরিবা,
মহাও য়াওদ্রবা পুন্সি মহিঙনি,
কনা লৈতে চিংখৎনবা কোম্‌দগী।
লাক্‌চগে নঙগী নতুঙতবু ইন্দুনা,
পুবিয়ু ঐবুসু ননাক্তা নতুঙ ইলক্কে।



CamScanner

## ইকোক্ থোংনা

পোৎলুম্ কয়া ইকোক্ থোংনা পুরি,
ইকোকসে ইলুম্ নুম্না অদুম্ লৈরি,
থাংদনবা ফনা কন্না হোৎনজরি,
অঙম্বা খরমখৈ থাংদবা ঙম্জরি।

তাইবং পোৎলুম্ অনুম্বা পোৎলুম্,
হুন্দোক্না চৎলে পাঙদবা তায়,
পুদুনা চৎলবসু অৱাবা ওয়,
অখাঙ কম্বা শানা কোক্থোংদা পুই।

লৈনিংঙি অমুক্তং পুংয়াং য়াংনা,
ওইথোক্তে কৈদৌঙৈ পুংয়াং য়াংবা,
অমা লৌথবগা অহোয় অমা থাঙ্গৎলক্লি,
মসিবু কৌরবোয় তাইবং মীওইবা মপোক্।

নখোয়না কয়াম্ নুংঙায়না হিংলিবা,
উরুরগা নখোয়বু অপেম্বা পোক্হল্লিবা,
উজবা ফংদে নখোয়দি পোৎলুম্ পুবা,
কয়াদা ৱাই শংনা নুংঙায়না পান্‌লিবা।

ইয়াং য়াংনা কোইপাই পাইনা লৈরিবা,
নোক্পগা খেবগা হরাউ তয়াম্না লেল্লিবা,
ওইজনিংঙি নখোয়গুম্না ৱাই শংনা লৈবা,
কৈদৌঙৈ য়াংগনি ইকোকসে নখোয়গুম্না।

## মালেম্ লূমবা হিংলিবনি

নদোম্ পুন্সিবু নতোম্‌তগীনি খল্লিবা নঙবু,
নদোম্ হিংলগা লোইরে খল্লিবা নঙবু,
নদোম্ নবুক্ থল্লগা লোইরে খল্লিবা নঙবু,
কাউরবরা মপোক্ লমন্ নোংমা শিংগনি?

নঙগীতমক্ পুন্সি কয়া হিংলি,
নঙবু নুমিৎ থাগুম্ য়েংলগা হিংলি,
নঙ অমা লৈবনা মাশু হিংলি।
অদুবু ঙসিদি কদায় নঙগী নথৌদাং?

চাবগা ফাইবগনা নথৌ ওইরিবা,
অকায় অতোইতা শূরগা নুংঙাইরিবা,
নশাদা লৌখৎনিঙায় করিমতা য়াওদ্রবা,
নঙোন্দগী তম্‌জনিঙায় করিগুম্বা য়াওদ্রবা,
ওইজা ওইথক্ মশক্ খঙদনা হিংলিবা,
লৌরগা লোইরে পিথোক্কনি খঙদ্রবা,
তাইবংগী লোনচৎ অমত্তা লোন্দ্রবা।

শা মখল্ অমগী পুন্সিগা পাজ্‌খক্লি,
হিংলুবগী কানবা য়াওদ্রবা মপোক্লি,
মমা অমগী নাওয়েক্ চৈনা অরেম্বনি,
মীয়াম্‌গী নুংশা শ্বর হোম্বা চিন্নবনি,
নঙগী পুন্সি মালেম্ লূমবা হিংলিবনি।

## ঙাল্লিবা থাজ

ইখুৎ মক্লা লাম্বা ফংদ্রবা,
নোংমদোন্ থক্তা ঙাল্লিবা থাজ।
নতিক্ নয়ায়তনা য়োম্লা থেল্লিবা,
পেঙ্গে মায়থোং থাজ য়েংজরগা।
য়েল্লক্লি ইঙনা মেঙলবা মঙাল্,
মালেম্ তম্পাক্ শিন্ থুংনা,
অরাম্বা খৌরাংবা পোক্হন্বা নতিক্,
মীহৌ কারাম্বা পোক্হন্বা নঙাল্।
খুলাম্ তোয়না কৌজৈ ইনাক্তা,
অরেম্বনি পুম্নমক খঙনা খঙনা।
লাপ্নে লম্বী লীশাং লিশিং লিশিং,
নঙগা ঐগা মরক্তা হায়ঙম্দনা।
থাজ মঙাল্দা ইরান্নবা নত্তনা,
অতৈ অহেন্বা পাম্লুবা ইরাল্নি।
লৈথক্কা লৈখাগা হায়নবা লম্দাঙ,
কৈদৌঙৈ তিল্লু য়ারোই নোংমদোন্।
লৈহৌগনি নঙগী ফজবা মালেম্দা,
উৎকী মপৈ ওন্দ্রিফাওবা মালেম্না।
ইখুৎ মক্লা লাম্বা ফংদ্রবা,
নোংমদোন্ থক্তা ঙাল্লিবা থাজ।

## তিংখং অমমম্ শৈরেং অমমম্

হৌখিবা পুন্সি চৎনা লান্‌ফম্‌দা,
জুখি তিংখং থম্মোয়'নুঙদা।
খাঙখি চৈনা কনা খঙহন্দা,
অচৌ মচা তিংখং ময়াম্,
অকাও নুঙ লৈতনা খাঙখি।
অমমম্ শৎনা শৎনা চিংথোক্লি,
তিংখং অমমম্ শৈরেং অমমম্।
মচা তিংখং মচা শৈরেং শৈদম্,
অচৌবা তিংখং অচৌবা শৈরেং ৱারেং,
তিংখং ময়াম্ লেংলা লেংলা ইথোক্লি,
শৈদম্ পুকৈ মতিক্ চঙ্খোল্লি।
লেপ্‌চখি মদোম্ পুন্সি লম্‌দাংদা,
মদোম পুন্সি লাংলোন্ ৱারি,
লৈহৌরি ৱারি ওইনা তাইবংদা,
অৱা-অনং লৈত-লাইর ৱারি।
অফা নুংঙাই য়ায়ফা মরাঙ কায়বা,
নুংশি-নুংঙোল্ অৱা-মৈশা ৱারি,
পুন্সি শৈরেং শৈদম্ ৱারেং লিখুন্।
অমমম্ শৎনা শৎনা চিংথোক্লি,
তিংখং অমমম্ শৈরেং অমমম্।



CamScanner

## মায়খুম্

মায়খুম্ খুম্না চৎনরে পুন্নমক্,
উৎতে কনাদসু অচুম্বা শক্লোন্।
লোৎতুনা লৈনরে নীঙায়দবা শক্লোন্।

অশেঙবা মীনোক্ অমত্তা উবা ফংদরে,
চীম্বান্থোঙগী মীনোক্তমক্ নোক্লরে,
থম্মোয়'নুংগী অশেঙবা মীনোক্ উদরে।

খঙনদবা মাগা নুংশি চান্নরী,
খঙনবা মানা মচু পৈনা লৈরী,
তৌজাশারিসে লাইমা পক্তে।

অৱা-অনঙ তাইবং মীগি হৌনশা,
কপ্পা নোক্পা মচিন্ মনাও ওইবা,
অমুক্ কপ্পা অমুক্ নোক্পা হৌনশা।

অয়ুক্তা ঈশিং পংচাউ চাউবা,
নুমিদাংৱাইরম্ ইকং থোক্পা,
নোংঙাল্লগা পাইতু খাউ পায়না চৎপা।

মতম্ য়ৌদ্রিবরা অচুম্বা শক্লোন্ উৎপগী,
কয়ানি ওৎলৈ পৎলৈ তৌদুনা লেন্গনি?
তাংলৈ লিনতসু মখুন্ চঙলম্দায় চুম্না চঙলি।

## ইঙনা চিক্লা তপ্পা

চৎনিঙবা মাদী চৎখিসনু,
অমুক্ হন্না খামলুগনু।
অহোয়নদুম্ মতেং পাংবিয়ু,
শেম্ শাদুনা থাদোক্পিয়ু।
চৎনিঙবা মফম্দা চৎখিসনু,
খাম্বা য়ারোয়দবা মহাক্পু।
ওইথোক্লোয় নঙগী কৈদৌঙৈদসু,
নঙনা ফনা কন্না হোৎনরবসু।
চৎখিগদবা মাদি মদোম্ চৎখিনি,
নোংমা নত্রে নোংমা সোইদনা।

নঙনা সোয়দনমক্ চৎখিবা মতাঙদা,
করিগুম্বা নুংশি পরৈ অমত্তা,
চিথদনা পুবিখো নঙগা লোয়নদুনা।
হৌজা হৌজা নিংশিংবা পাম্জদে,
লৈজবা পুন্নমক্ খোম্দুনা পুবিখো।
মদুতনা নঙগী ঐগী য়ায়ফবা ওইগনি,
লৈররোয় অয়েৎপা নঙগী ঐগী পুন্সিদা।
নঙগী নুংশি খুদোল্ পরৈনা,
ঐগী লেমহৌরিবা পুন্সি লমদাং,
পিরক্লি মৈচাক্ ইঙনা চিক্লা তপ্পা।



CamScanner

কঙাওনরে

চীঙয়াগী নাওপোম্ নম্খাইনা চেল্লিবা,
নিংথিবা লাইজা ঈশিং ইচেলগী তুরেল,
থেক্না খোইনা লাইজ-ঈশিং ইচেল্ চেন্থুরি,
ইংনা তপ্না ইলং লঙনা ঝিরি ঝিরি চেন্থুরি,
চাররি মখল্ কয়াগী লেম্নে ঙা হৌন হৌননা,
নুঙপাক্ লৈরক্ হুৎনা হুৎনা ইচেল্ মায়োক্তা,
ইকা ঙা কাবগুম্ চেন্খৎলক্লি অমগী মথং অমা,
লাইজ ইরোল্'নুঙদা অমনা অমবু লোয়চনরি,
ইমীৎ থূপ্না তুরেল্ ফীবান্দা লেপ্তুনা য়েঙজখি কুম্মে।

লক্করুগে ঙসিদি শানরুগে ঙসিদি,
লেম্নে ঙা অমত্তা ফারগে ঙসিদি,
লৈজবা খঙজবা লৌশিং শিজনরি,
খোইজাক্তমক্ কয়া চাথোক্পিখি,
কুফেৎ কাফেৎতমক্ মতৌই,
থুবদি শুক্থু থুবা কৌবা লৈতে
হন্দমুক্তি সোয়দনা লক্লুগদ্রা খল্লুই,
অদুবু অরেম্বা ওইনা তোক্লি,
খোয়জাক্তমক্ চানা তোক্লি,
অমত্তা ফাজবা ঙম্দনা লেপ্লি,
পাম্বে খন্ফম্ খঙদনা কঙাওনরে,
ঙসি ফাওবা তুরেল্ ফীবান্ অসিদা।



CamScanner

## অফাওবী

করিনো খল্লিবা নঙনা,
অফাওবী অমা ওইবসে,
য়াম্না অরায়বানি খন্‌লব্রা!

মশক্ মতৌ ফজবা ওইবা তায়,
কুচু কুমেন্ ফজনা ঙাম্ব তায়,
লু-নান্না ঙান্না লৈবা হৈনব তায়,
চুঙ-ফীরান্ চুম্না লেপ্পা তায়,
চীঙ-লেম্না নিঙথীবি ওইব তায়,
ৱাখল্ লৌশিং চাউবা তায়,
মীচঙ মীখায় নায়দনা চৎপা তায়,
মীনুংশি পোক্‌হন্বা ঙম্বা ওইবা তায়,
তোপ্-তোপ্পা ৱাখল্লোল্ চেম্বা তায়,
মতিক্-ময়ায় চঙ্খোনবা ওইবা তায়,
মচিন্-মনাও য়াম্না য়াম্বা তায়,
শাগৈ-নাতৈ অকোন্বা ওইবা তায়,
মরূপ্-মপাঙ য়াম্বা ওইবা তায়।

অশোয়বা ঙাক্তনি পুম্নমক্,
অরেম্বা ৱাখল্‌নি পুম্নমক্,
তৈনবা ঙাক্তনি পুম্নমক্ হায়রদ্রা?



CamScanner

## মীপায়জৈ

ননাক্তা লাক্লিংঙি,
ইতৎ তত্তনা নিংশিংঙি,
অকাউনুঙ লৈতনা নিংশিংঙি,
খোঙ শান্খি কয়ারক্ হঞ্জিন্ হঞ্জিন্,
অদুবু য়ৌবা ঙম্জদে ননাক্,
মহৌশা তিংখং ময়াম্ অঙক্পনি,
তাইবংনা থাক্পা তিংখংসু ময়াম্নি,
শম্বল্ খানা খানা থম্বা মরোন্'মনি।

মাগী মাগীদুনা হেল্লি,
কন্না ঙাক্ শেন্দুনা থম্লি।
তিংখং জুই খোঙদা,
পাল্লি থম্মোয়'নুঙদা।
লৌথোক্পা লাক্কে,
শেংদোক্পা হোৎনৈ,
অমুক্ খাজিনবসু লেপ্তে,
ফান্দোক্চবসু লেপ্চদে।
অমুক্ হন্না তিংখং জুবসু লেপ্তে,
লৌথোক্চবসু লেপ্চদে।
মতম্ মাদি হৌখিনু য়াদে,
চৎখি মতম্ ৱারি ওইহৌনবা।
ননাক্তা খজিক্ নক্পা ঙম্দনা,
ৱাখল্ মতোল্ লোম্লরোয়দ্রা মীপায়জৈ।



CamScanner

## ইঙা থা

ইঙা থান লাক্লবদা,
খৌরাংনা ঙাইরি,
লাইজ ঈরিক্ অমুক্তা,
পেন্না চাইথবিবা।
শিংলি নাউরি,
কংদুনা লৈবা কুইরক্লে,
কৌরি মালেম লৈকোয়না,
খুলাম্ তোয়না,
পাথহন্বিরো ঈরি ঈখোঙ,
তুরেল্ ঈচেল্ লমায়,
তিল্লুরসনু লাইজ
হৌরক্ফম্ ইপাক্ তম্পাক্তা।
লাক্চনি ননাক্তা,
মতম্ মান পুরক্পা খোঙলৈদা।
নোংথক্ অতিয়াদা,
নোং মপৈ মপৈ পাইরি,
মালেম্ লৈকোয় খোইরাংঙে,
নোংলৈ নুংশিৎ মাসু,
হাইনা হুম্না হুম্না,
ইনোৎতবু হাপক্লে।
চোৎনিংঙে লৈমায় থক্,
লৈশাৎ তম্মিংঙে পুকৈ চন্না,
খোম্লাং লান্নিংঙে মচাশিংদা পেন্না,
ইঙা থান লাক্লবদা।



CamScanner

## পুন্নমক্ অরেম্বনি

তাবিনিঙায় লৈত্রবা ঈশৈ শক্লুই,
পাবিনিঙায় লৈত্রবা শৈরেং লেংঙুই,
য়েংনিঙায় লৈত্রবা জগোই শারুই,
লৌবিনিঙায় লৈত্রবা ৱারি লিরুই,
ফজনিঙায় লৈত্রবা শক্ উৎলুই,
লৌখৎনিঙায় লৈত্রবা শাথেক্ শারুই,
থেম্বিনিঙায় লৈত্রবা অকপ্পা কপ্পুই,
লেম্জনিঙায় লৈত্রবা মীদা পাম্লুই,
থাজনিঙায় লৈত্রবা মীদা থাজরুই,
পিথোক্লিঙায় লৈত্রবা মীদা পিরুই
চানিঙায় ফাওদ্রবা মীদা পিজরুই,
থক্লিঙায় পোক্ত্রবা মীদা পিথক্লুই,
থম্নিঙায় লৈত্রবা মীদা পিশলুই,
লৌখৎনিঙায় য়াওদ্রবা মীদা তিন্নরুই,
শুনিঙায় পোক্ত্রবা মীদা শুহল্লুই,,
হৌগৎলোয়দবা মীদা হৌদোক্লুই,
লাকলোয়দবা মীদা কৌরুই,
তারোয়দবা মীদা তাহল্লুই।
মীনুংশি য়াওদ্রবা মীদা নুংশিরুই,
অরেম্বনি হোৎনরুবা পুন্নমক্ অরেম্বনি।

## অথোইবা মপোক্

অথোইবা মপোক্ তাইবং শক্লোন্ লৌরিবা,
লাইপোক্ মপোক্ পান্দম্ নতিক্ চেল্লিবা।
অদুক্ নুংশিবা নবুক্চেল চেল্লিবা নঙবু,
ফজরবা নথম্মোয় পাল্লিবা নঙবু,
নৌরবা নবুক্লিং লৈরিবা নঙবু,
অচৌবা ৱাখল্লোন পুরিবা নঙবু,
নিংথিবা শক্লোন্ লৌরিবা নঙবু,
শেংলবা লিচৎ চৎলিবা নঙবু,
মীহৌবা পোক্হম্বা ঙম্লিবা নঙবু,
ঙাক্পিহৈরবা মীথয়েং য়েংঙক্লিবা নঙবু,
করম্বা লৈবাক্ ঈনা শাবা নথৱায় পান্বনো?
মীগি অৱাবা উরগা নপি তানা কপ্লিবা,
অমম্ অঙাল্ খায়দনা খোঙজং চঙলিবা
ঙম্জবা মতেং পাঙ্গে চোংশিন্ লাক্লরিবা,
মীয়াম্গীতমক্ কৎথোক্লগে খন্না হিংলিবা,
মীয়াম্গীতমক্ খোন্বনা নথৌ ওইরিবা,
মীয়াম্গীতমক্ হিংলিবনি খন্না লৈখ্রবা,
কন্বদসু নতিক্ নাপা লৈতনা কল্লিবা।
তুম্বা চাবা চঙদনা মায়গৈ থুঙনা চৎলিবা,
নতিক্ নয়ায়তনা মালেম্ শিন্ থুংনা ঙাল্লিদো।
অথোইবা মপোক্ তাইবং শক্লোন্ লৌরিদো,
লাইপোক্ মপোক্ পান্দম্ নতিক্ চেল্লিদো।



CamScanner

## নুংশিজৈ

করি ওইরসিগে হৌজিক্,
মঙলা হারা মফম্ খঙদ্রে।
পুম্নমকসে মঙনি খল্লুই,
অদুবু মঙদি ওইরম্দরে।

পুন্সিদা খক্ থোক্তবগুম্নি,
অসুক্ খুথিনা ফজবা ৱাহৈ,
কনাদসু কৈদৌঙৈ হায়দবা ৱাহৈ,
থাজদ্রবা চিম্বান তপাবদুনা হায়রক্পা।

মালেমসিদা অতৈ কনা লৈত্রবা,
ঐঙোন্দতা অতম্না হায়রক্লিবা,
কনানা তাক্পি তম্বিবনো নঙোন্দা,
অসুক্ খুথিনা ফজরবা ৱাহৈ?

পুক্নিংসে ইতাউ তাউনা লৈহল্লে,
খঞ্জা মঞ্জা চিংনবা পোকহল্লে,
মালেম্দা লৈরি অতৈসু মান্জা ময়াম্।

খল্লে নঙসে করম্বা লাইনা শাবনো,
পুম্নমক্ থাদোক্লগা ঐগি ইনাক্তা লাক্লিবা,
অথোই অহেন্ করি উদুনা নুংশিজৈ হায়বা?

ইথোক্লগে ঙসিদি ফজরবা শৈরেং,
মহাক্তবু পান্দম্ নুংশি শৈথানা,
লৈহৌরসনু মালেমদা ৱারি ওইনা।

## জুন তরানিপ্পান্

থীরসি অমা অনি অহুম্,
কাউরোয়সি মতম্ অহুম্,
মঙাং লুওয়াং খুমন্।

থীরসি অমুক্ মরি মঙা তরুক্,
হে থৱায় মঙা,
মিগা থানা তরুকমক্।

থীরসি অমুক তরেৎ নিপ্পান্ মাপ্পন্,
মচানি মীতৈদি য়েক্ তরেৎকী,
ওইবনি মীতৈদি সলাই মাপ্পন।

থীরসি অমুক্ তরা তরামাথোই তরানিথোই,
চহি অমগী মনুঙদা থা তরানিথোই,
লাক্লি থা তরানিথোই হঞ্জিন্ হঞ্জিন্।

থীরসি অমুক তরাহুম্‌দোই তরামরি তরামঙা,
নখোয়গিনা নিঙতম্বা নুমিৎ,
ঐখোয়গিনা মীখাপোম্বা নুমিৎ।

থীরসি অমুক তরাতরুক্ তরাতরেৎ তরানিপ্পান্,
থৱায় পোম্থা পিখিবা অথৌবা তরানিপ্পান্,
কাউঙম্‌দ্রবা নুমিৎ জুন তরানিপ্পান্।

সানাগী ময়েক্লা ইখ্রবা মিংলেন্ তরানিপ্পান্।
মীতৈ ঈ অশেংবা নখোয় তরানিপ্পান্,
কৎচরি ঙসিসু নখুয়াদা হৈ লৈ।

## শাৎলি লৈরাং

পাক্ চাউরবা লৈরাং লৈকোয়পুঙ,
মশিং থীঙম্‌দা শাৎলি লৈরাং,
মখল্ মচু কয়াগী লৈরাং।
মচু মনম খেৎনৈ মানদে,
মচু শুনা শাৎলি লৈকোয়পুঙ,
অপাম্বা মচু মীৎ চানৈ।
লৈনম্ মনম্ খেৎনৈ তোঙাল্লি,
অয়াক্‌পা অহক্‌পা অচম্বা খায়দোক্লি।
মানদে মনম্ অমগা অমগা,
য়েল্লি নুংশিৎনা মায়গৈ শিন্থুংনা,
মানা মানা হৈনবা মনম্ লোক্লরি।
খোয়দানা চিলোক্লে লৈরাং লৈরিক্,
পামু ঙক্‌শমদা হুকক্লরি লৈরাং পরেং,
চরা চিল্লা হরাও মথোয় কানখ্রে,
মহৈ মতিক্ চোন্না মরু শন্দোক্‌খ্রে,
মথং মনাও নায়না লৈশাৎ তমখ্রে,
তৎপা কাংবা লৈতনা চৎথরক্লে,
মহৌশা ফজবা লেপ্লি লৈকোয়পুঙ।

## চেল্লু কন্না

চেল্লু নঙ চেল্লু কন্না,
লাইবক্ মপা চুম্লিঙৈ।
ফুদিৎ ফুনা কন্না চেল্লু,
খোংগাপ্ লাওনা থাংঙু,
চেল্লু মতাঙ চারিঙৈ,
মপান্ ফরিঙৈ চেল্হৌ,
খুনিঙথৌদা খুদোপ্ শিজহৌ।

চেল্লু নঙ চেল্লু কন্না,
লাইবক্ মপা চুম্লিঙৈ,
অমম্ অঙান্ খায়দনা,
অযুক্ নুমিদাং অমত্তা ওইহল্লো।
অৱা অনা থিগনু,
মতম্ লৈতে নঙগী,
মতম্না তানরক্লি নঙবু।

চেল্লু নঙ চেল্লু কন্না,
লাইবক্ মপা চুম্লিঙৈ।
তুং হন্না অমুক্ য়েংঙক্নু,
লেম্না হেক্ থাগে খল্লুনু,
য়াওরি নঙোন্দা মৈঙাল্,
ফংদ্রিমখৈ তানবা লেপ্কনু,
উৎলম্মু নথৌনা মালেম্দা।

চেল্লু নঙ চেল্লু কন্না,
লাইবক্ মপা চুম্লিঙৈ।
লৌহৌরো নঙগী ফংফম্ থোক্পা।
য়েক্লবা নঙগী তুং ওইনা থম্লগা,
চাক্থেক্লো ময়াম্ পুম্নমক্।
মৈঙাল্ অমা ফংলিঙৈদা
মাঙহল্লনু মৈঙাল্ অরেম্বদা।

## অশিবগী মহাও ফংলবা

মবুক্ লাম্বা মীগি,
চঙজফম্ কদায়দসু লৈতে।
মবুক্ লাম্দবা মীগি,
চানিংঙায়না পীক্ থন্না লৈরি।

থবক্ শুনিংদবা মীগি,
থবক্ শুনিঙায় অমত্তা লৈতে,
থবক্ শুনিঙবা মীগি,
থবক্না শৌগ্রিক্ শৌনা পীক্ থল্লি।

মীনুংশি লৈরবা মীগি,
নুংশিনিঙায় মী থিবা ফংদে।
মীনুংশি চেন্দবা মীগি,
নুংঙিশনিঙায় মীনা পীক্ থল্লি।

ইনাক্ কৈরাক্ খুন্বা মীনা,
লাইরবগী অৱাবা উবা ফংদে,
অৱাফম্দা তাদ্রিবা মীনা,
অৱাবা হায়বসে করিনো খঙদে।

লৈনরিবা মরি মমল্ পীরিবা মীদি,
মীয়াম্না মাক্তবু নুংশি চান্বিরি।
নুংশি লংলাবু মমল্ পীব্দ্রিবা মীদি,
লমখাঙদা কঙাওনা লেল্লি।

নুংশিবা কায়নরবা মীনা,
নুংশিবগী ৱাহল্লোক্ খংঙি,
নুংশিবা কায়নদ্রিবা মীনা,
নুংশিবগী মমল্ করিনো খঙদে।

অশিবগী মহাও ফংদ্রিবা মীনা,
শিবা কিবা হৌনশানি,
অশিবগী মহাও ফংলবা মীনা,
শিদোক্লি লৎনবা লৈতনা।



CS CamScanner

## ফজরবা শকফম্

য়েংঙু নোংমদি সোইদনা হঞ্জিন্‌লক্কনি,
মহৌশাগী ফজরবা শকফম্ অমুক্কা।
লৈররোই অৱা অনা করিমত্তা,
নোংমদি পুম্নমক্ পুংকোক্ কোক্লনি।
ঙসিগী থৌদোক্ ৱাথোক্ অকিবা,
হয়েংগী ৱারি ওইনা লৈহৌরগদবা,
ৱাবনা খম্ থেংলবা লাংলোন্নি,
শুবা নোম্বা থোক্তনা,
চাব থক্‌পা চঙদনা,
ৱাখল্ লৈতাফম্ খঙদনা,
পুক্লিং পোত্থাফম্ লৈতনা,
থম্মোয় তনিক্ নিক্তুনা,
ওলাং ওনশাওবা পোক্লা,
করিবু পাউ থোক্লগবা ঙশিসে,
হয়েংনা করি পাউ ওইগবা,
খোন্‌ফম্ থোক্তনা অদুম্ লেল্লিবা।
অফ-নুংঙায় পাউ অমত্তা লৈখিদ্রে,
তাহৈদ্রবা পাউনা পীক্ থল্লে।
ঙসি মহাক্ লৈখিদরে,
মীওই কয়ামা লায়কন্নরে,
মশিঙ অদুক্ শুরে,
অনাব ঝর ঝর হেন্‌গৎলে,
অক্সিজেন সাপ্লাই লৈত্রে,
পোৎলোয়নিঙায় মী লৈত্রে,
লৈকায় লৈকায় পাউ ফাওনদ্রে,
মাগী মাগী হিংনবা লাক্লরে,
তিঙক্ মাঙক্লা লৈনরে,
কয়ানি লেন্‌গনি অশুম্না,
য়েংঙু নোংমদি সোয়দনা হঞ্জিন্‌লক্কনি,
মহৌশাগী ফজরবা শকফম্ অমুক্কা।



CamScanner

## কে-কু লোৎপা

ঐদি কে-কু লোৎপা চৎলে,
চেচেৎ লাউনা লোৎপা চৎলে,
নখোয় কনা অমত্তনা থীরক্কনু,
ঐদি নখোয়না থিবা ফংদনবা
অমম্বা মফম্‌দা লোৎকনি,
কনা অমত্তা উদনবা লোৎকনি।
চেক্ মুক্ লাউদবা মফম্‌দা,
মীচিক্ মীখোল্ তাদবা মফম্‌দা।
নুংঙায়বা তুমখুল্ তাল্লুরগে,
থিবা ফংদবা মফম্‌দা লোৎলগে।

খংঙি নখোয় কনামত্তনা থিরক্লোয়,
থিরুবগী করিসু কানবা ফংলোয়,
খনগনি নখোয়না ফনবু ফরেদা,
লোৎনিংবা মফম্‌দা লোৎখ্রসনু,
অমম্বা লাঙ্গোয়দা চনখ্রসনু।
মমল্ য়াওদ্রবা তাইবং মপোক্নি,
মমল্ য়াওদ্রবা পুন্সি খোঙচৎনি,
মীঙম্‌দনা অদুম্ হিংলবনি,
খুনায়দা করি কানবা পিখিদনা,
ঐবু নখোয়না থিরক্কদৌরিবা?

নিঙবা কায়রবা পুন্সি মপোক্নি,
উৎলরোয় অমুক হন্না নখোয়দা,
পুন্সি লান্‌ফম্‌দা মায়থীরবা লান্নীনি,
হিংলুবগী কানবা য়াওদ্রবা মপোক্নি।
খোঙ্গুল্ অমুক্ লিগে থৌরাংগনু,
ফত্তবা লৈতান্না শাবা কয়াৎনি।
ঐদি কে-কু লোৎপা চৎলে,
চেচেৎ লাউনা লোৎপা চৎলে।

## উহৈ পাম্বীনি

নঙদি অথুম্বা উহৈ পাম্বীনি,
খোইথুম্নরবা মহৈ ঙান্না পাম্বীনি,
উহৈ মতিক্ ময়ায় চাওবীনি,
মায়গৈ সিনথুঙনা মনম্ ফুদোক্লি।
মখোঙ মরৈ য়াম্না চুঙবীনি,
চুঙ ফিরান্ লাওনা চঙ্খোলবীনি,
নাইতোম্ তুমিন্ চিক্লা হৌজবনি,
মরা লুথনা য়াম্না চেৎপীনি।

মীনা পাওথোক্কে মীৎথানৈ,
কলক্ মীহৌবা পোক্চনৈ,
লংশল্লি লৈতুম্ লেপ্পা লৈতনা,
মথং মথং মচু কয়াগী লৈতুম্নি।
মতম্ মরাং নায়দনা লংঙক্লি,
অচম্বা অয়াক্পা মখলগী লৈতুম্নি,
মীয়াম্ মাঙদা খুঙ্গোয়নবিরি,
অখাবা মীৎয়েংনা নৈহৎপীরি।

উহে মহৈ মদোম্ মীপায়জৈ,
কয়াম্ কুইনা খাঙবা ঙম্গনি,
অমুক্তি সোয়দনা কেন্বা তাবনি,
তম্বা কনাগী মখুৎতা তাগনি?
খুৎতা চুম্না লংবা হৈবা থিবনি,
লৈতুম্ লংঙক্পা মশিঙ থিঙম্দে।
অৱাংবা থীক্লেম্বা মখল্ য়াম্মি,
খোন্‌ফম্ থোক্তনা কয়ানি লেন্‌গনি?

## অশিবা তুরেল্ লাইজ ঈচেল্

চিঙগুমগী শেংলবা ইচুম্ লাইজ,
চেহ্নখি তুরেল্ ঈচেল্ ওইনা লেপ্পা লৈতনা,
য়েন্‌খি তুরেল্ লাইজ লৎনবা লৈতনা,
থেকোয় মাকোয় থেক্কুনা চেল্লি।
মীচং মীখায় নাইদে,
হুরান্ চিহ্নী খায়দে,
অপিক্‌পা অচৌবা থিদে,
অফ-ফৎতা য়েংদে,
পুন্নমক্‌পু চংজফোম্ পীবিরি।
তুরেল্ লাইজ থক্কুনা,
নোংমগী থৱায় নোংহন্নখি।
লাইজনা থৱায় পুন্সিনি,
থৱায় পাম্বা পুন্সি হিংহন্‌খি।

অশিবা তুরেল্ লাইজ ঈচেল্,
ঙসিদি কদায় নঙগী লাইজ?
লাইজ ঈচেল্ য়াওদনা,
অশিবগুম্ তাদুনা লৈরেদো,
কদায় চৎখ্রে নঙগী মীনুংশি?
কদায় লৈখ্রে নঙগী ফজবা?
নম্‌থী হন্থিনা থল্লে ঙসিদি,
ফৎতবা মনম্ ফুদোক্লে,,
মীথানদ্রে কনা অমত্তনা,
কাউনরে নতিক্ নয়ায়,
মশিরা চৎনবী হৌনশা?
তৌবিমল্ মশক্ খঙদনা,
লৈহৌরগদ্রা অদুম্ চন্নদনা?

## খোঙশানূলক্‌পনি

হৌনশা ৱাখল অমদা তাউদুনা,
খোঙশানূলক্‌পনি লম্বী মায়গৈ তম্না।
অতৈ কয়াম্ কুইনা চৎলগা,
থেংনগনি নিঙজরিবা মফম্‌দো?
মায়গৈতমক্ খঙবা ঙম্মি,
হারম্ পাংনাতবু চৎলি,
ৱাংলবা চিঙলোন্ ময়াম্মি,
অমুক্ কাখৎ অমুক্ কুম্‌থা,
অঙম্ অঙম্ চিঙথকনি।
খোঙ খূৎ হুগাইনা লোইরে,
নিঙশা স্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লে,
তিংখং জুবনা মরোন্ অমা,
তিংখং থাক্‌চিম্বনা কয়া অমা,
চৎপা পিরোয়দগী কয়া অমা,
লাক্কনু হায়বনা মরোন্ অমা।
তারুদে কনাগী অয়েৎপা অথিঙবা,
অউঙবা অমদা উঙদুনা চৎলিবা।
চাব থক্‌পা মফম্ খঙদা,
অহিং কয়া মীৎশেঙ খাঙনা,
চৎপগী লোয়বা খম্বা নাইদে,
লম্বী লম হুক্লগদ্রা মীপাইবা,
লাইচন্না চেন্না পুবগুম্ পুখিগদ্রা।
ময়ামসু চৎনৈ হায়না চৎপনি,
মতুঙ ইনবা ঙম্ব্রা য়েংবনি।
অতৈ কয়াম্ কুইনা চৎলগা,
থেংনগনি নিঙজরিবা মফম্‌দো?

## থুম্ য়াক্লে

থুম্মি হায়না থুম্ হায়বনি,
থুম্ য়াক্মল্লসু চাবা য়াদে,
রাথলবসু হাউবা রাথলে,
থুম্ থাক্পা হৈবা মথৌ তায়,
চপ্ চানা থাক্পা হৈবদি,
হৈথোয় শিংথোয় হায়গনি,
ইরাং ইচু মশক্ খঙবনি,
মনা মনিন্ নাইনদে,
তাঞ্জা মেঞ্জা কায়নদে।

নঙগীদি থুম্ য়াক্লে,
শিদনবা অসুম্ য়োথলে,
লাইবক্তা তম্খিবনি,
নশরুক্তা থুংলক্পনি,
তঙদু লৈতাবা লৈতে,
মহি চেন্নতা লৈরে,
তাইবং মহাউ য়াওদ্রে,
লৈতোন্ শরূ পাদ্রে,
লোন্নিংবা লোন্নরে।

## লায়না চেল্লে

নুংশি লায়না চেল্লে,
অ-উ খুদিং পামক্লে।
য়েংঙু খুদিং ফজবঙাক্তা,
থেংনা খুদিং কল্লক্পঙাক্তা,
উরুবা খুদিং ঙাওহল্লে।
অমনা হেন্দে,
অমনা ব্রাথতে।
অপাম্ নুংশি পোক্হল্লে,
মীহৌ করাম্বা পোক্হল্লে,
মীপাইবা অমা পোক্হল্লে।
ফজবা ঐগি ওইনিংলে,
করি মতৌনো খঙদ্রে,
করি লায়নানো খঙদ্রে।
ব্রাখল্ লৈতাহন্দ্রে,
পুক্লিঙ খোইরাঙহল্লে,
থম্মোয় মরাঙ হৌহল্লে।
মথোঙ মরম্ হুক্তরে,
চারম্ থরম্ খঙদরে।
চোক্থবা কৌবা লৈতরে,
তূম্বা পোখাবা কাউরে।
য়েংনিংদুনতা লৈরে,
অকিবা কৌবা লৈতরে।

# ক্বাক্

ক্বাক্ ক্বাক্,
করি ক্বাক্নো?
ময়াং ক্বাক্নি।

হোস্ হোস্ চৎলো নফমদা,
অসুক্য়াম্না তাল্লসু চৎতেনে,
হৌজা হৌজা কয়ারক্ তাল্লে,
নখোয়সে নমায় য়াম্না ইকায়দে।

হোস্ হোস্ চৎলো নফম্দা,
হায়না হায়না সাপোন্ চেন্খ্রেনে,
কয়াতা তৌবা ঙল্লিনো য়েংঙুনে,
লৈতা লৈতা মলু মলু থম্জবনি,
মানা ইরায় লায়না চেন্না পুবিখ্রে।

ক্বাক্ ঐসে য়াম্না মুশুক্ মুই,
নখোয়না য়াম্না কি-তুকচ্চনা তৌই,
সাপোন্ নল্লগা অমুক্তা ঙৌহল্লগে,
নখোয়গুম্না ঙৌবা য়াব্রা লাইবক্ য়েংগে,
নখোয়গী ফজবা ফীজোল্ অমুক্তা লৌজগে।

ক্বাক্ নঙগী নচু ময়ী মাঙবা য়াব্রা?
মতম্ য়ৌরগা হেক্তা ক্বাক্ ক্বাক্,
সাপোন্ লিশিং নল্লসু কোক্উ য়াররোই,
নঙনা ঐখোয়দা লক্লবা ওইনা থোক্লবোই,
ওইরি ঐখোয়দা মাঙজবগী মাঙজবা ঙাক্তা।

হোস্ হোস্ চৎলো নফম্দা,
অসুক্ য়াম্না তাল্লসু চৎতেনে,
হৌজা হৌজা কয়ারক্ তাল্লে,
নখোয়সে নমায় য়াম্না ইকায়দে।



CamScanner

## লৌনম্ লাংদা থুরবা

ঐদি নঙগী লৌনম্ লাংদা থুরবা চেক্লানি,
পুবিউ ঐবু নঙনা পুনিঙবা মায়গৈ তন্না,
লৈজদে ইতিক্ নফমদগী নাম্হোক্লা চেম্বা।
ঐগী অপাম্ পাম্দগী মমল্ লৈতে নফম্দা,
নঙগী অপাম্বনা ওইরি ঐগিসু অপাম্বা।
নঙনা পিজরগা চাগনি,
পিজদ্রগা চারা শিৎকনি,
নঙনা পিথক্লগা থক্কনি,
পিথক্রগা খৌরাংনা লেন্গনি,
খৌরায়গা হকচাঙগা থানদ্রিফাওবা।

ঐদি নঙগী লৌনম্ লাংদা থুরবা চেক্লানি,
শঙবিউ ঐবু নঙনা অপাম্বা মচু শঙনিঙবা,
লৈতে অহোঙবা ইফম্দা করিগুম্বা অমত্তা,
ঐঙোন্দা লৈরিবা মচুদি হোংদে হামুগী হামুনি।
চাবা ফঙদবা মীওয়বা খুদিঙমক্ হেক্ শিবিদে,
নিঙতম্বা ফংদবা মীওয়বা শিদোকপা ঙম্লি।
ঐনা হৌজিক্ ফাওবা হিংলিবা,
ঐগি অখাঙ কম্বগী শক্তম্নি,
নঙনা থাক্লিবা লৌনম্ লাংদি,
নঙগী কলক্ মীহৌবগী শক্তম্নি।

তাইবং মীওয়বা ঐখোয় পুম্নমক,
নঙগী লৌনম লাংদা থুরবা ঙাক্তনি।
ঐদি নঙগী লৌনম লাংদা থুরবা চেক্লানি,
পুবিউ ঐবু নঙনা পুনিঙবা মায়গৈ তন্না।



CamScanner

## লাইচৎ

তম্থিরবা অনা লাইচৎ,
নমিং করোনা মীংথোম্বা,
নঙবু ইবুংঙো হায়শিরা,
নত্রগা ইবেমা হায়শিরা,
মরক্ শরক্ হায়শিরা।
শক্লোন্ কয়া লৌরিবা,
নাকন্ অমদা শক্লোন্ অমা,
অসোম্‌দনা শক্লোন্ অমা।
ওন্নিংবতা ওম্বা ঙম্লেনে,
নঙনা ঙৌরিশে ঙৌরেনে।
মীবু চঙশিন্ চঙশিন্ লাক্লিবা,
অচৌ মচা অনেম্ অৱাঙ নাইদে,
কোইতান তানৈ কোয়পাই পাই,
মথৱায় লৌবনা নথৌ ওই।
মমা মপা মচা মশু কায়নহল্লি,
লমজা মচা কয়ামা ওলহল্লি।
কয়াম্ চারগা পেন্‌গদবা,
নথিবোং য়াম্না লাউবা মতানি,
চারিমখৈ পেন্বা কৌবা নাইদবা।
নঙবু কিবা মরম্না,
চাগদবা কয়া চাদ্রে,
থক্কদবা কয়া থক্ত্রে,
চৎকদবা কয়া চৎত্রে,
কোয়গদবা কয়া কোয়দ্রে
লৌগদবা কয়া লৌদ্রে।
নঙতা খিৎ থুনা হন্বিখ্রো,
ইনিঙ তম্না অমুক্তা পান্‌জগে।

## সিদহৈদাক্

কনা কনা সিদহৈদাক্ লৈগনি,
লৈনিঙবা ময়াম লৈবা য়াগনি,
য়োল্লি মতম্ কৌবী লাইরেম্বীনা,
মফম্ মতম্ চানা সিজনহৌরো,
কানবগি কানবা ঙাক্তনি।
মফম্ মতম্ হৌখ্রগা লায়েঙবা,
কানবগি মফম্ খঙলোয়।
কৈথেল্ কায়না চৎখ্রবদা,
লুপা কোক্থোংনা কানরোয়।
মতম্ কৌবী লাইরেম্বী সিদহৈদাক্নী,
মতম্ মানা পুরক্পা অহোঙবা,
খাম্বা ঙম্লোয় কনা অমত্তনা।
লৈথনবা লাক্পা নত্তে,
অমুক্ হন্নবগী লাক্পনি।
থবক্ শুজামন্না সিদহৈদাক্কি,
লৈনিঙবা ময়াম লৈবা য়াবনি।
সিদহৈদাক্ মাঙবা তাক্পা লৈতে,
লৈহৌগনি মালেমনা লৈরিবমখৈ।
য়োল্লি মতম্ কৌবী লাইরেম্বীনা,
মফম্ মতম্ চানা সিজনহৌরো।

## নায়তোম্ ঙাম্বনি

লিশিং লিশিং মনুঙদা নঙতনি,
খোয়দাজৈ থম্মোয় মানা নঙতবু,
লাৎচরি শক্তম্ পিক্লবা কাচিন্ অমদা,
অকাউনুঙ লৈতনা চেৎনা নিঙজরি।

পামুই ফজৈ নুংশি হায়বা ময়ামনি,
নাচুঙলুদে মখোয়গী অহেম্বা শৈহেক্তা,
মীহৌরুদে মখোয়গী মতিং ফজবদা,
চিংশন্দে নখোয়গী অরিং অরাঙদা।

অতিয়াদা নায়তোম্ ঙাম্বনি হায়জগে,
নতিক্ নয়ায় চঙ্খোম্বনি হায়জগে,
তোপ্ তোপ্পা চেঙলৌ শক্তম্নি হায়জগে,
লৈতে অনিসুনা মালেম্দা হায়জগে।

লৈরবদি মথং মপোক্ অমুক,
মপোক্ মপোক্ খুদিং থেংনজগে,
নিংঙায়জগে নফম্দা ইনিঙ তম্না,
করম্বা মহৈনা পুল্লিবনো খঙজদে।

## লীরক্কনু খোঙ্গুল্

চৎলি  মীৎ অনিনা পুবা মায়কৈদা,
য়েংনিঙবা পোক্ত্রে শাসিনবা,
অশেংবা অমত্তা য়াওদ্রবা শক্লোন্।
নাকোং অনিসু মেন্শিনদুনা থম্লবনি,
তানিঙবা পোক্ত্রে  তাৎ তৌবা ৱাহৈ,
নুংশিদনা নুংশি হায়রিবা খোঞ্জেল্।

ৱারৌবা লৈজদে,
কনাগুম্বা অমত্তদা,
মঙলুবা ইরাল্নি,
য়েংলুবা অশোয়বনি,
তারূবা তায়োন্নবনি,
লাল্লে খঙজরে,
ইতিক্ য়াওদবনি,
ৱাখল্ থেম্বনি,
মথোং মরম্ হুক্তবনি,
থীক্নেম্বা হায়বদুনি।

লীরক্কানু খোঙ্গুল অমুক্ হন্না,
লাক্পদা কনা লোয়নরক্তে,
হম্বদসু কনা লোয়নরোই।
চৎলি মীৎ অনিনা পুবা মায়কৈদা।



CamScanner

## মঙগী মঙলান্দা

ঐনা মঙজবা মঙ অমা লৈজৈ,
ঐগি মঙসে ঐঙোন্দা ফজৈ,
ঐগি মঙনা ঐঙোন্দা পুম্নমক্তগী অথোয়বনি।।
হিঙজরি ঐনা মঙগী মঙলান্দা,
হিঙবগী মহাও পীরি তত্তনা ঐঙোন্দা,
অকাউনুঙ লৈতনা মঙজরি মতম্ লৈবা খিবিক্তা।

লাক্লবসু অৱা চৈথেং কয়া ইমাঙদা,
কাউথোক্লি  চৈনা ঐগি মঙলান্দুদা।
তাউথরি চাউরবা ইপাক্ ইয়ায়দা,
অকিবা পোক্তে মঙলান্ মতিক্ ময়ায়দা।
সোয়দনা লেপ্লগনি ইমাঙদা নোংমদি,
তাঞ্জা ঙাইবনা ইথৌনি হিঙবগী মচাক্লি।

খাঙবগী পাঙ্গল্ পীবিরি মঙলান্না,
হিঙনরি ময়াম্ মাগী মাগী মঙ্লান্ অমমম্দা।
য়ৌরসনু পন্থুঙ মানা মানা নিঙজবদা,
পীনরসনু পাঙ্গল্ চেৎনা মঙলিবা খুদিংদা।
হিঙলসনু মঙলান্ মীপুম্ খুদিংদা,
পিনরসনু মহাউ তাইবং মীওইবা খুদিংদা।



CamScanner

## কুম্মে লোয়শিন্খি তুমিন্না

মনুঙ মনুঙদা ওম্চাক্লনা চাক্লিবা মৈচাক,
লৈতাফম্ খঙদনা খাঙলিবা অৱাবা,
মপান্ থোঙদা উবা ফংদে কনা অমত্তনা,
কৈদৌঙৈ কোক্কনি হায়বা ঙম্দে।
মৈচাক্ লোৎপা হোৎনবনা নথৌ ওইরি,
খংঙি নঙদি শাসিনবা হৈতবা মীওয়নি,
অদুবু লেপ্তে শাসিনবা নশক্ লোত্তুনা।
নোংঙাল্লক্পদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা শাসিনৈ,
উবা ফংদে কনা অমত্তনা অৱাবা।
হংলুরগা খুমক্লি নুংঙায় য়াইফরিতমক্,
হায়বা ঙম্দে কয়ানি অদুম্না লেন্গনি।
পোক্পা শিবা তাইবং মপোক্ হৌনশানি,
মীরোল্ কয়া খোঙদারক্লি লেপ্পা লৈতনা,
মীরোল্ কয়া মদোম্ কুম্মে লোয়শিন্খি তুমিন্না।
মশিবু কৌরগদ্রা তাইবং মপোক্,
পল্লুংফম্ খঙদবা মপোক্ অমা ওইরদুনা?
ময়ামসু চৎখি নঙসু চৎখিনি,
লৈহৌররোয় করিগুম্বা দাগফম্ অমত্তা,
তিন্খ্রনি নদোম্ অশিবা কৌবা ঈপাক্তা।

মখোন্ হৌদে

খুবাক্ নাম্মনা য়েবা মখোন্ হৌদে,
মখোন্ সুক্থোক্ থোক্উ য়াদে।

খুবাক্ অনি মান্নরগা য়েবা তায়,
মদুগতা মচু তানা মখোন্ থোক্লি।

নুংশি ঈখৌ লাংলুবদি,
তুং হন্না খক্ য়েংলক্তে।

মীশিঙ থীবদা য়াওদবা মীনি,
মশক্ মঙাল্ থোক্তবা মীনি।

মতিক্ ময়ায় চেন্দবা মীনি,
লেম্জবা মরিক্ পক্তবা মীনি।

খুবাক্ খুবা হৌরুবা,
খুবাক্ সুক্তিং তিংথোরক্তে।

মখোন্ থোক্উ য়াদনা লৈরে,
মতিক্ চাবা মীওই ওইদবনা।

হান্না মতিক্ চাবা মীওই ওইরো,
সোইদনা মখুৎ তিংথোক্লক্কনি।

খুবাক্ নাম্মনা য়েবা মখোন্ হৌদে,
মখোন্ সুক্থোক্ থোক্উ য়াদে।



CamScanner

## খোয়থুম্বা হৈ পাম্বী মহৈ

খোয়থুম্বা হৈ পাম্বী মহৈনি,
মতিক্ ময়ায় চঙ্খোনবা মহৈনি।

খোইমুনা ঙরং ঙরং লাউনা ইন্নে,
মথোং মরম্ খঙদনা কোইতান্ তান্নে,
অরাপ অরাপ্পদগী খোংগুল্ লিরক্লি।

লৈতুম্ লংশন্থী নহারোল্ ময়াম্মা,
অঙৌবা অঙাংবা অমুবা মচুগী,
অপিক্পা,অচৌবা, ময়ায় চাংদাগী।

সুকেন্ কেল্লু য়াদে,
মনা য়াম্মা কন্বা মহৈনি,
নাপল্ য়াম্মা ৱাংনা পান্জবা মহৈনি।

খুৎতা চুম্বা শানৌ কনাগী খুৎতা তাগনি,
খোইদাজবা কনাগী মরাইবক্তা তম্লিবা।

মপা চানা লংলবদি সোয়দনা কেন্গনি,
লাইবক্ ফবা কনাগী মখুৎতা কেন্গনি।

## অকিবা অমা ফাওরে

নুংশিবা লৈকায় শারা শল্লে,
ইকায় ইকি তুং-ওইনা থল্লে,
মমায় মতুঙদা পাল্লগা চৎলে,
হায়না হুয়া চৎলে,
ঐমা ঙায়রে খল্লে,
মীনা হেন্বা য়াব্রা খল্লে,
মীমাঙ পোমাঙ নাইদ্রে,
অঙম্ অঙম্ লোন্নরে,
বোং বোং ফোঙদোক্লরে,
অফং অফং হায়নরে,
অরোৎ অফোঙ লৈনদরে,
মীৎ মায় য়েঙনদরে,
চানৈ চানদে খন্নদরে,
ফজৈ ফজদে থিনদরে,
য়াই য়াদে থিনদরে,
মীকি লাইকি পোক্ত্রে,
মথোং মরম্ হুক্ত্রে,
মতিক্ মপা য়েংনদরে,
মশুঙ মমান্নবা য়েংনদরে,
খদ্রক্ মদ্রক্ তৌনরে,
তৌহৈ তৌহৈদে কাউনরে,
ৱারক্ ৱাতেম্ লৌদ্রে,
অতাবনা মনা মেল্লে,
অউবনা ইকায়না লোৎলে,
মতম্ সে মতম্ অমনি,
অকিবা অমা ফাওরে।

## অরাপ্পদা লেপ্পগা

ইনাক্তা লৈরম্বা মানা লাপ্‌থোক্‌খ্রে,
শাগৎলুবা মঙলান্‌ নিঙখায়খ্রে,
ইহাঙ হাঙনা অসুম্‌ লৈহৌরে।
মতম্‌গী খোঙলৈনা পুদুনা চৎখ্রে,
মেঙ্গিনবা ঙমদ্রে কনা অমত্তনা,
ইনাক্তা লেপ্লম্বা মানা চৎখ্রবদা।

নিংঙায়দনা চৎখি মাদি অরাপ্পদা,
উনা উনা উশিন্নদবা শারদুনা।
নুমিৎকী মঙাল ফংদবা থাজনা,
কয়ানি মম্‌দুনা খাঙবা ঙম্‌গনি।
পুংমম্‌ মম্‌শিন্‌খ্রে ঙল্লম্বা অতিয়া,
মঙাল্‌ য়াউদনা পুঙ্গি লান্‌ফম্‌সিদা।

হিংনিংবগী মহাও য়াওদ্রবা পুঙ্গিনা,
কয়ানি লেপ্‌খিনি অমম্বা মরকসিদা।
লৈরবসু মথঙ মপোক্‌ করিগুম্বদা,
থেংনদবা ওইজগে লাপ্‌থোক্‌খিবা মাগা।
লেন্‌খিনি পুঙ্গি অমম্বা লাঙ্গোয়সিদা,
নোক্লবিনু ইতৌতবু অরাপ্পদা লেপ্পগা।



CS CamScanner

## লমলাম্বা

পুঙ্গিদা খক্ উনখিদ্রিবা,
লৈফম্ মফম্ খঙজদ্রিবা,
লাম্ব ফংগনি থাজদ্রবা,
পুঙ্গিদা ওইথোক্কনি থাজদ্রবা,
শক্তম লারা নিংথীবা,
কুচু কুমেন্ ঙাম্লোইবা,
রাখল্ মশা পান্হন্লে,
পুক্লিং মরাঙ লাংহন্লে,
থম্মোয় লৈতাবা পিদ্রিবা,
হো লমলাম্বা নঙবু কনানো?

শম্বল্ রাংমদা লৈরিবা,
নপাউতমক্ পাব ফংজৈ,
নখোন্জেন্তা তাব ফংজৈ,
পাউনিনখোল্দা ঙাওহন্লিবা,
নমিতমক উবা ফংজৈ,
নতিক্ নয়ায় চঙ্খোন্লি,
ফীদম্নিঙায় ওইবা কাংলোন্নি,
ওইজা ওইথক্ থিবা লাক্পনি,
নুংশিজৈ হেক্তা হায়রগে,
হো লমলাম্বা নঙবু কনানো?

## থাগৎ ৱাহৈ খজিক্

ইমা লৈবাক্ কন্‌গে চোংথোরক্লিবা,
চহি কুন্ কুম্ল্রাগী পারি-ইমোম্‌শিংদা,
শেংলবা ঈগী ঈরিক্ চেল্লিবাশিংদা,
পিনবিউ খুদোল্ ওইনা থাগৎ ৱাহৈ খরতং,
পীফম্ থোক্তব্রা থাগৎ ৱাহৈ খজিক্?

চোংথোরক্লি লৎনবা লৈতনা ইমা লৈবাক্কী,
কৎলগে থৱায় হক্‌চাং ইমা লৈবাক্কী,
ৱাখল্ লৌশিং মৈরা চাউবা ঙাক্তনি,
থম্মোয় মরিংজেন্ চেৎপা ঙাক্তনি,
পুক্লিঙদা ইমাবু চেৎনা কোন্‌জবা ঙাক্তনি,
মীকুপ্ নাহুম্ নাশোন শিংঙবা ঙাক্তনি,
লাইরিক্ লাইসু মতিক্ চানাা হৈবা ঙাক্তনি,
মীখা পোন্না লৈবা হৈনদবা ঙাক্তনি,
পুল্লিবা য়োহ্লিঙ ককথৎকে চোংথোক্‌পা ঙাক্তনি,
মপা মমাগী য়াথং লৌরগা লাক্‌পা ঙাক্তনি।

নঙগী ৱাহৈ অমনা থম্মোয় ইঙগনি,
চোক্‌থবা লৈরোয় হক্‌চাঙ পাঙ্গল,
শাবী শানৌ ময়াম্ চোংথোরক্কনি,
থৌনা লিংজেল লেপ্তনা হাপক্কনি,
পীফম্ থোক্তব্রা থাগৎ ৱাহৈ খজিক্?



CS CamScanner

## শেন্দোং তাম্বা

পলেম ইমাগী খুথাঙ,
ফাওহল্লে তাইবং মপোক্,
কয়াদা হরাওজৈ পলেম ইমা,
চাউথোক্চৈ লৈপাক্ মাঙদা।

খোল্লাং লাঙনা চাহল্লে,
ইমা মরোল্ তম্বিরে,
মথানুংদগী থাদোক্লে,
শামু শারেপ্ ফাহল্লে।

শেন্দোং তান্জরো ৱায়েল্লে,
শেন্দোং তাম্বা লাক্পনি,
পলেম্ ইমাবু মীরাইরে,
শেন্দোয় শেলেপ্ মাঙজরে।

কাউথোক্লে ইমাগী ৱায়েল্,
তাউথরে মিত্রং কুম্মৈদা,
ইমা খম্ থেংনা ৱারে,
মচাবু কৌনা কপ্পক্লে।

মীরাইদে ইমানা মচাবু,
মচাতনা মমাবু মীরাইবীরে,
শেন্দোঙ তাম্বা লাক্পদি,
শেন্দোয় শেলেপ্ মাঙজরে।

পলেম্ ইমাবু নিঙলশি,
নাউকোম্বা ইমাবু শোন্লশি,
ইমাগী লমন্ শিংলশি,
পোক্চমন্ শেন্দোং তান্লশি।



CamScanner

## মরাল্ শীবিরে

কনাগুম্বা অমগী থম্মোয় হুগে লাক্লরুই,
থম্মোয় হুরাম্বনি হায়না মরাল্ শীবিরে।

কনাগুম্বা অমগী পুক্নিঙ চিংশিন্নবা লাক্লরুই,
মহাক্কী পুক্নিঙ হুখ্রে হায়না মরাল্ শীবিরে।

কনাগুম্বা অমগী মমীৎকা মীৎকা চানরুই,
মমীৎ য়াম্না থক্ই হায়না মরাল্ শীবিরে।

কনাগুম্বা অমগী মমায়গা মায়গা মায়থোংলুই,
মমায় য়াম্না কল্লি হায়না মরাল্ শীবিরে।

কনাগুম্বা অমগী মতৌ তম্গে নিঙজরুই,
মহাক্কী মতৌতা তপ্লে হায়না মরাল্ শীবিরে।

কনাগুম্বা অমগী খোংগুল্ লিগে লাক্লরুই,
মহাক্কী মতুঙ ইন্না লৈরে হায়না মরাল্ শীবিরে।

কনাগুম্বা অমগী চাক্চা ফীজেৎ তমগে খঞ্জরুই,
মহাক্কী চাক্লুক্ মুন্খিদরে হায়না মরাল্ শীবিরে।

ফিবম্সে কাল্লে ফুই কান্দ্রে ফুই হায়বদু তারে,
কনাগুম্বা  অমত্তনা মতিক্ চাবা মরাল্ পীবিরো।



CS CamScanner

## কোয়চেন চেন্না খাঙলে

খোই মহূম্দা লৈতূম্ লংশিন্লুরে,
খোই ময়াম্ পাইখোক্লা চিক্তগী তানরে,
কোয়চেন্ চেন্না খাঙনা লৈনরে,
লংশন্লুবনা মীওই অমা অনিনা,
তাইনবনা ময়াম্ পুম্নমক্তা পাক্তক্লা।

খোই মহূম্ লিরি খোইরিনা লৈজরম্বা,
মীগি খোয়শাও থবক্ চৎথরুবা,
মীহৌ করাম্বা পোক্তুনা থুগায়নিংলিবা,
অরাম্বা থবক্ অমা অনিনা চৎথরুবা,
লোয়চেন্নরে খুনায় অমা পাক্তক্লনা।

থাদোক্লো মীগি মপোৎ মীহৌ করাম্বা,
মীগি মপোৎনা মপোৎ শাগে নিঙলিবা,
মশাগী মপোৎ মশক্ খঙদনা লৈরিবা,
মাগিনি মীগিনী মশক্ খঙদনা হিংলিবা,
থোয়দোক্না কিনিঙায় মশক্ ওইরক্লিদো।

মশাগী মপোৎ মশক্ খঙদা হিংলুবনা,
নোংমা নোংমগী কিন্থরে মপোৎ লৈজরম্বা,
হিংলি চৎলি নোম্লি অচা অথক্ ব্রাৎতে,
তুং হন্না য়েংলুবদা নঙগী অমত্তা য়াওদ্রে,
তুংগী চারোন্ শুরোন্ কোয়চেন্ চেন্না খাঙলে।

## তান্‌জা মতুঙ ইন্না

মবুক্ লাম্বা মীদা পিজবিউ,
লাম্‌সু লাম্‌দবা মীদা পিজবিরুনু,
পিজরুবা নঙগী লঙজবা থোক্কনি,
খোয়শাওবা পোক্কনি অরাম্বা মানা,
মহৈ অমত্তা য়াল্লরোয় পিজরুবগী,
পিজরুবা নঙনা অরেম্বা তারগনি।

খৌরাংনা ঙাইবা মীদা পিথোক্‌পিউ,
চরম্ খ্রক্ খ্রক্ কংনা লৈবদা পিথক্‌উ,
ঙাইদুনা লৈরিবা মঙোন্দা পিনবিউ,
নঙগী লাইজা মরিক্ অমনা মাগী পুন্সিনি,
হিংবগী মহাও খজিক্ পোকহন্বিউ,
মদুনা ওইগনি নঙগী মীরম্লেন চৎপা।

লায়না খঙদনা হীদাক্ থাবদি,
নুঙদা ঈশিং চাইবগুম্ থোক্লনি।
তাম্থা খঙদনা তান্ থারুবদি,
ঈশৈ থুগায়বা ওইনা থোক্লনি।
মতম্ মতুঙ ইন্না মতমগী ঈশৈ শক্লসি,
তান্‌জা মতুঙ ইন্না তাম্থা থানবা তৌরসি।

## ঈয়েক লোন

কোক্ য়াম্না চিক্লে ঙসিদি,
শমসু ওখাক শাংবগুম তৌরে,
লাইবকসু শারুম শারুম তৌরে,
মীৎসু কক্লামা উইশিল্লু য়াদ্রে,
পাসু অমা অনি তুনা হাকৎচরে,
নাসু ইশা শানা অদুম লৈরে,
চীন্দা ৱা ঙাংবা থোক্তরে,
তীল্ খ্রক্ খ্রক্ কংঙক্লে,
খৌসিসু ইফা ফাজিলবগুম তৌরে,
ঙৌসিসু লোক থুংবগুম ইনা নারে,
থৌৱায় মাসু পেম্হোকপা ঙম্দ্রে,
ৱাই য়াম্না শংদুনা লৈবা উরে,
য়াঙগি শরু মনুংদা চিকপা হৌরে,
হুক্সে ঙসিদি ইকোম কোমথোক্লে,
উনশাসে শরুদা নপ্তুনা লৈবগুম্লে,
ঈ-শে ঈ-শাদা য়াওদবগুম তুফাইরে,
ফম্বিসু মরাঙ ইহৌ হৌয়ু য়ারক্তরে,
অতিয়াদ মচু তরেৎকী ফীরাল্ পাইরে।

অকাওনুঙ লৈতনা নিংশিংলি ঙসিসু,
নথৌনা লৈরবা অথৌবা নখোয়বু,
সানাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈখ্রবশিংবু,
কৎচরি নখুয়াদ অঙাংবা লৈরাং ঈগী মচু।

## নাচুঙদা

হো পুন্সি কদোম্দা চৎলি নাচুঙদা
লাউরিবা খোংলিবা ময়ামসে তাদনা
উনা উনা উশিন্নদবা শারদুনা,
কোরোনা শাওঙনা লমন্ খুম্মক্লে।

মপা মমা কায়নবগী মৈচাক্,
মচিন মনাও কায়নবগী মৈচাক্,
মচা মশু কায়নবগী মৈচাক্,
নুংশিবা থাদোক্লা চৎখিবগী মৈচাক্,

মৈরি ফনা চাক্লি থাঙফম্দা,
অতৈসু চাক্থেক্কে কৌবা লেপ্তে,
চল্লি লৈরোন্ মালেম লৈশাদা,
অতৈসু পুরক্লো মফম্ চন্খিনী।

অশিবা মৈচাক্ মনম্মা মালেম্ শিল্লে,
অপুম্ অশা মনম্মা শ্বর হোন্জিন্বা য়াদ্রে।
কনাগী অৱাবা কনানা য়েংগনি,
মাগী মাগীনা হেল্লি কোয়চেন্ চেল্লি।

লায়েংশঙ চক্রিক্ নাক্রিক্,
লম্মী লম্জাও তঙক্ তঙক্,
অশিবা হক্চাং পরেং লেং,
থাঙফম্দা ঙাইরি তাঙ্গোয় ওল্হন্নবা।

মায়থীররে চাওখৎ খোঙথাং,
কোরোনা শাওঙ লায়চৎ লায়নাদা।
শুম্লে তাইবং খুনায় মফম্দা,
অঙম্বনা শানবা কুম্মৈ মরক্তা।



CamScanner

## নিশাদা তাউবা*

কয়ামুক্ চৈনা ফংখিবনা,
শিনিংবগী লায়না চেল্লবা?
রাখোল্ লায়না চেল্লবা,
পুক্লিংদা হিংনিংবা পোক্তবা,
শিরগা লোইবা পুন্সিনি খল্লবা,
নশাগী নথরায় নশানা লৌনিংঙবা।

কয়ামুক্ চৈনা ফংখিবনা,
শিনিংবগী লায়না চেল্লিবা?
য়াম্না লুরবা শাওঙনি
ফঙম্দনা ফংলবা তাইবং মপোক্নি,
লমখাংদা মাঙহন্বা পাম্লিবা,
নিশাদা লাইচুদুনা লৈরবা।

ঙাউরি ফৈরি কোয়চৎ চৎলি,
লম্বী সোড়োক্তা লাউ খোংলি,
লুবা নান্বা থীবা লৈতা,
মশম্ মকোই কোক্কনি কাওরা,
অয়ুক্ নুংথিল্ মশক্ খঙদা,
শিবা ঙাইবা মতাগুম্ লেল্লিবা।

মমা মপা কনাবু থৌওইদ্রবা,
মচিন্ মনাও মশক্ খঙদ্রবা,
মতূ মচা নুংশিবা পোক্তবা,
কল্লিদা নিশা নঙগী ময়ায়,
কয়ামুক্ চৈনা ফংখিবনা,
নিশাদা তাউদুনা হিংলিবা?

পাম্মুজে ওম্ভোক্লা নপুন্সিদো,
অরেম্বদা মতম্ মাঙখিবা,
করেম্মরি পুন্সিনা পুন্সিবু,
কম্লক্ মীহৌবা পোকহল্লে,
তাইবং কনা নঙগীতমক্,
শিনিংবগী লায়না চেল্লিবা।

## হিংলিবা মহিঙ

মতমসিদা হিংলিবা মহিঙসে,
নুংঙায়না হিংলি হায়রসিরা,
ৱারেবু হায়না হায়রসিরা।
অচুম্ববু অচুম্বনি হায়নদরে,
অরাম্ববু অরাম্বনি হায়নদরে।
মীৎ মায় য়েংনা ৱা ঙাঙনরে,
অতোঙবতা য়েংনা থীনা লৈনরে।
ইশানা ইশাবু মশক্ খঙদ্রে,
করিগীতমক্ হিংদুনা লৈনিংঙি,
করি অমুক্ অহেন্বা ফংখিনি।
মায়চৌশিং মায়থীবা ফংলে,
মতিক্ লৈবশিং মরাল্ শীবিরে।
অচুম্বা ঙাঙবা মরা লৌদ্রে,
মীনম্বা ঙাঙবা মৱা চৎলে।
ইকায়বা কাংখাদা লোৎখ্রে,
হঙ্গোইবা মশা পান্না পাইরে।
য়েল্হৌমীনা ওইরে তাংজবা,
তাংজবনা ওইরে য়েল্হৌমী।
হায়রম্মি অহৈ অশিংনা মাঙলম্চত্তা,
লৈররোই অতৈ নঙগী মহৌশা,
অমোৎপনা ময়ায় চেন্গনি,
অলুবনা চিদায়দা চেন্গনি।

## কোরোনা অফাওবী

কোরোনা অফাওবী নঙদী,
নাতোন্দা চঙগে হায়বনা মরোনমা,
য়াদা চঙগে হায়বনা মরোনমা,
মীৎতা চঙগে হায়বনা মরোনমা,
খুৎতা নপ্‌কে হায়বনা মরোনমা,
খোঙদা পায়গে হায়বনা মরোনমা,
নাকোং মনুঙ চঙগে হায়বনা মরোনমা,
কোক্কী শম্‌দা তোংগে হায়বনা মরোনমা।

অফাওবী নঙবু থেংনদনবা হোৎনবদা,
লাইশোন্‌ তিন্‌শোন্‌ কাউনরে,
নঙবু উনজদনবা লাইশোন্‌ ওইনরে।
খুৎ শাপোন্‌ চাম্বদা কুরোন্‌ হুনরে,
চীন নাতোন চিম্বুল্‌ মাস্ক উপ্‌শন্‌লে,
মীৎতা আনোক্‌ উপ্তবা উপ্‌শল্লে,
কোক্তা টুপি উপ্লা হৈনদবা হৈনহল্লে,
নাকোং লশিং মেন্না খাঙনা লৈহল্লে,
খোঙদা খোঙকুপ্‌ উপ্পি তোংহন্‌লে।

কোরোনা অফাওবী নঙবু কিবনা,
য়ুম্‌দগী মপান্‌ অনম্বা থোক্তরে,
য়ুম্‌গী খুনুকোন্‌ ওইনা লৈনরে,
পংকিতা কিবা পোক্‌পা ফাওরে,
মীগি অহো অরক্তা য়েংনা লৈরে,
চঙদগী অদুম্‌ ঙাইনা লৈরবোয়রে।

কিরেদা নতৌ নচিন্‌ ময়াম লোঙবী,
নমিঙ থোন্‌গে শক্‌হেম্বী নিঙদাউবী,
হায়নিংঙি তম্‌গী হেলোয় লোয়নবী,
নঙনা উদনবা পি পি শেৎতুনা লৈ।

## নুংঙাইজরো

নঙনা হিংলিবদু,
নঙগী চাওখৎপনি,
খল্লগা অদুম্ নুংঙাইজরো।

অৱা অনা কয়া লাক্লবসু,
মপুনা শিল্লক্পা লাংলোন্নি,
নঙনা ঐনা করিসু তৌবা ঙম্লোয়।

লাইবক্তা তম্লবদি,
ফনা কন্না হোৎনরবসু,
নাম্থোক্পা সুকঙোম্ ঙম্লোয়।

মপূনা চাংয়েং তৌবনি,
কয়াম্ খাঙবা ঙম্বা,
অঙম্বা কাঙবুনা লৈহৌনি।

ইশা হিংনবা হোৎনরিঙৈ,
খুনায় হন্না য়েংনদ্রে,
পোলোয়দা মনাক্তা কনা হিংলম্দ্রে।

ইনাক্ খুন্নবা হোৎনরিঙৈ,
নম্জা নম্থাক্ তৌরিঙৈ,
খুনায় লৈখা তানা মাঙহল্লে।

য়ারিমখৈ অৱা লাংদা তাহন্লো,
অৱাবা খম্ থেংনা ফংহন্লো,
থবক্ হায়রিমখৈ শিজনবা য়ানবা।

নঙনা হিংলিবদু,
নঙগী চাওখৎপনি,
খল্লগা অদুম্ নুংঙাইজরো।

কপ্পু

কপ্পু নখোয় কপ্পু,
পাঙদবা নখোয় কপ্পু,
কপ্চবনা নখোয়গী নথৌনি।
নপী ঝির ঝির শিন্থনা কপ্পু,
লৈবাক্তা খুদুম্ শুরা শুরা কপ্পু,
নখোঙ নখূৎ শুরু শুরু নোয়না কপ্পু।

থেম্বীনবা কনাসু থোরক্লোয় নঙোন্দা,
মথৌনা লৈবা অমত্তা য়াওদে।
মাঙ্গোল্জাও ওয়না লৈবা ঙাক্তনি,
ৱাজাও ঙাঙবা হৈবা ঙাক্তনি,
লোইনা অশিব অমগা পাঙ্খক্লি,
অশেংবা ঈ-চেন্বা অমত্তা য়াওদে।

কপ্পগা অমুক্ থোক্কদবা নত্তে,
অশিবগা পাঙ্খক্ ওয়না হিংবদি,
কান্নবা লৈতে কৈদৌঙৈ হিংলুবগী।
নোংমা পোক্পা নোংমা শিব মচানি,
নোংমতং  নিঙখা তম্না পালম্মসি,
মালেম্দা ঐ অমা লাক্লম্মি তাক্লম্মসি।

কপ্পা লাউবনা কান্নবা লৈরোয়,
থবক্ ওইনা শুবা মথৌ তায়,
ইশাগী থবক্ ইশানা শুবা তায়।
মীতোপ্ অমা লাক্লা শুবিরোয়,
মতম্ হৌখ্রগা শুবা কান্নরোয়,
মতম্গী থবক্ মতম্দা শুহৌবা তায়।



CamScanner

## পাউখুম ফংলোইদবা ৱাহং

ৱাহং কয়া থম্‌খি মফম্‌দা,
পাউখুম্ অমত্তা হল্লক্তে ঙসিসু।
ইতূম্ তূম্‌দনা তূম্‌শিন্নবা শারে,
পাঙলম্বা মীৎ উইশিন্দুনা লৈরে।
নথম্মোয় অদুক কল্লম্‌গনি থাজদে,
ইতৌবু উরগা নোক্লিবা নবুক্লিংদা।

মীনোক্ মৈশা লাংলে ঙসিদি,
তৌজ-শারিসে য়েংঙু নোক্লিংদ্রা।
মতিক্ মপা ইনৎ নৎতনা তৌরিসে,
থীক্‌নেম্বনা থাবু লাম্‌গে হোৎনরিসে।
খংঙি ঐসু নঙসে থাজ ঙম্‌জবী,
শাৎলিবা শিঙেল্‌লক্তগী অথোয়বী।

অদুবু খোয়দাজৈ ঐনা নঙতবু,
ইতিক্ ইপা তুঙওইনা থম্লগা,
পাম্‌জরুই অমক্‌পা অমত্তা য়াওদনা।

খঙলে ঙসিদি ঐগী মহৌশা ইরাল্‌নি,
ফংলরোই পাউখুম্ মপোক্ অসিমগী,
ৱাঙনা ঙান্‌জরিবা মাবু পাম্লবৈনি।

মথং মপোক্তা মতিক্ চাবা ওইজৌকো,
পিনবিউ খুদোল্ ওইনা পাওখুম্ অসিমতং,
অপেন্বা ওইজগে মপোক্ অসিমগী।

ৱাহঙ কয়া থম্‌খি মফম্‌দা,
পাউখুম্ অমত্তা হল্লক্তে ঙসিসু,
ফংলোয়দবা ৱাহং ওইখিবনা।

## খোংজোম লান্

থোক্লমদ্রবা খোংজোম লান্,
নিংশিংবা মথৌ তারপ্লোয়,
১৮৯১ইং ২৩ এপ্রিল খোংজোম্ ডে।
শিরপ্লোয় মথৌনা লৈবা লান্মী,
চিংলেনসানা পাওনা ব্রজবাশি,
থাঙ্গাল্ মেজর চোংথা মিয়া,
শেংলবা মীতৈ ঈগী ঈরিক্ চেল্লিবা,
মমিং খঙদবা অতৈ মীতৈ লান্মী,
মতিক্ ময়ায়না চঞ্খোল্লবা লান্মী।
মায়োক্লখি কল্লবা বৃটিশ তেঙ্গোল্,
মায় পাক্পগি পাউতনা থল্লম্গনি,
মনিপুর নত্তে কংলৈপাক্ থোল্লম্গনি।

ওইরম্লগনি মীতৈ লৈবাক্ নিঙতম্বা,
কয়াদা মতিক্ মঙাল্ ফুদোক্কনি,
চাওখৎপদা মপা লৈরম্মোয় মালেমদা।
লৈরিবা পাফন্ চাওথোক্ পাক্থোক্লি,
কবো ভেলী ঙসিসু ঐখোয়গী ওইরম্নি,
মীনায় নায়থঙ চন্না লৈরপ্লোয়।
ঙপ্লোয় মীতোপ্ মীয়ান্চানা লাক্চবা,
চীঙমী তম্মী অমত্তা ওইবা লিপুন্গনি,
শান্নরোই খুদিং মঙাল্ তানা হিংলমগনি।
মীপান্ তাংদনা মদোম্ ঙাল্লমগনি,
তারপ্লোয় নুমিৎ মীতৈ নিঙখা-তম্বগী,
লৈরম্মোয় কৌব্রু ৱাথোক্ মীপায়বা।

থোক্লমদ্রবা খোংজোম্ লান্,
নিংশিংবা মথৌ তারপ্লোয়।

## মীনুংশি

মপূনা মনাই শারে,
মনাইনা মপূ শারে।
লৌ মপূ য়োংনা তাল্লে,
মপূ কোইচেন্ চেন্না খাঙলে।
লৈতবনা লৈনবা হোৎনবা,
অলৈবনা চাউথোক্লা লৈবা।
অপঙবনা অশিঙবা শাব,
অশিঙবনা অপঙবা শাব।
কুম্মে মচু ফজনা তারে,
কুম্মেগী কুম্মে ঙাক্তা ঙায়রে,
য়েংবা হৈরগা কুম্মেগী কুম্মেনি।
নুংঙায় ঈপাক্তা তাউরিঙৈ,
মীনুংশি লৈবা শারিঙৈ,
তুমখুন্ তান্না লৈরিঙৈ,
মঙফাওরক্পা মতাঙ,
কোক্তা লেন্ তারে,
ময়োন্ ইখুই খুইরে,
ফম্বী কংবা হৌরে।
ইপা ইপুগী লিক্লম্নি,
কৌব্রু চীঙনা লেম্ফুনি,
কংলা ময়োন্না খোয়দৌনি,
লোক্তাক্ ইরঙনা ফম্বীনি।
ৱারিতা ওইনা লৈরম্মে,
ঈশৈতমক্ শক্লা লৈনরে।

## মহাও

হিংবগী মহাও য়াওদ্রবা পুন্সি,
মাঙদা য়েংঙি হোত্রোং হোয়,
তুংদা য়েংঙুই কাকোক্।
চৎকদবা লম্বিদা চৎহৌদ্রে,
চৎলোয়দবা লম্বিদা চৎলুরে।
নাওশুম শুম্মগা থম্বিরে,
অপঙ লাই চুহন্লগা থম্বিরে।
ওইজা ওয়থক্ মশক্ খঙদ্রে,
মীত্রংদা ঙাওহন্দুনা থম্বিরে।
লুপা অমা শেন্দোং তাল্লিঙৈ,
লুপা মঙা মাঙনা তোক্লে।
হেলোয়না চেম্বগুম চেল্লে,
মতুঙ কোইতান্ তানহন্লে।
লম্বিসে চিংনবা অমা পোক্লে,
হোংদোক্পদি সুপ্ঙম্ ঙম্দ্রে।
রাখল্ শাল্লু হায়বা য়াদ্রে,
ইফাতা ফাজিন্না অসুম্ লৈরে।
নাম্থোক্লবা ফনা লাক্লবনি,
নৌনা অমুক্ ইনোৎ হাপ্লি।
কনাদসু মরাল্ শিনিঙায় লৈতে,
ইশানা থাক্চবা লাংদা থুজবনি।
মরু মনাও মশক্ খঙদে,
মীনা য়ৈনৈ হায়না য়ৈরি।
অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তনি,
লৌখৎনিঙায় করিমতা য়াওদে।
থাউগা ঈশিংগা তিল্লু য়াদবগুম্,
অমা অমগা তিল্লু য়ানদ্রে।
হিংবগী মহাও য়াওদ্রবা পুন্সি,
চৎকদবা লম্বিদা চৎহৌদ্রে,
চৎলোয়দবা লম্বিদা চৎলুরে।

## অচুম্বা ফজবা ঙাক্তনি

নুংঙায়ব্রা নুংঙায়ত্রা,
নুংঙায় নুংঙায় শোন্নরে।
ফজব্রা ফজদ্রা,
ফজৈ ফজৈ লাউনরে।
উব্রা উদব্রা,
উরে উরে হায়নরে।
কপ্লিংব্রা কপ্লিংদ্রা,
কপ্লিং কপ্লিং তৌশিন্নরে।
ৱাব্রা ৱাদ্রা,
ৱাদে ৱাদে হায়রে।
চাব্রা চাদ্রা,
চারে চারে খুম্লে।
থোক্প্রা থোক্রা,
থোক্লে থোক্লে খুম্মে।
পায়ব্রা পায়দব্রা,
পায়রি পায়রি লাউরে।
লৈরিব্রা লৈতব্রা,
নান্না নান্না থোক্লরে।
পারিব্রা পাদব্রা,
পারে পারে হায়রে।
তারিব্রা তাদব্রা,
লাউবা খোংবা তোক্লে।
ওজানা শক্পা ঈশৈনি,
ফজদ্রসু ফজৈ,
শোয়রবসু শোয়দে,
লান্‌লবসু লান্দে।
ওজানবু শোয়গদ্রা,
অচুম্বা ফজবা ঙাক্তনি।

## থম্মোয় হুখ্রে

মাগী থম্মোয় হুগে লাক্লরিঙৈ,
ঐগী থম্মোয় হুনা পুবিখ্রে।

মাগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনরিঙৈ,
ঐগী পুক্নিং লৈতাবা ঙম্দ্রে।

মাগী ৱাখল্দা তাউথরিঙৈ,
ঐগী ৱাখল্ মশা লোংঙে।

মাগী মায়কৈদগী পাউখুম্ ঙাইরিঙৈ,
ঐগী মতম্ পুন্নমক্ চাবিখ্রে।

মাগী মমি শক্তম্ য়েংলিঙৈ,
ঐগী ইমীৎ অনিসে কূপ্না লৈত্রে।

মাগী মনাক্ য়ৌনবা পাম্বৈ থিরিঙৈ,
ঐগী শিন্বাং অমত্তা পাঙথোক্পা ঙম্দ্রে।

ৱাকৎচরি ময়াম্গী মফম্দা,
মরিক্ চুন্না অমুক্তং ৱায়েন্বিয়ু।

মাগী মতিক্ চাবা দন্ডি পাম্মি,
ঐগী অৱাবা মুন্না খন্থবিয়ু।

## থাংমৈ

নঙদি ঐগী থাংমৈনি,
শুক্ল' মম্লবা অহিংগী।
ওইরি নঙনা পাম্বৈ,
ঐগী পুন্সি লান্‌ফম্‌দা।
পুবিরি নঙনা খূৎশম্লনা,
লম্বী লম্‌হুক্লরুরবা ঐবু।
কাউজদে মীকুপ্‌ অমত্তা,
তোল্লি লমন্‌ নঙগী।
কনা লৈখিদে ইনাক্তা,
ঐগী অমম্বা লাঙ্গোন্দা।
নঙগী থাংমৈ মঙাল্‌তনা,
হিংনিংবা অমা ফাওহল্লে।
হিংলি ঙসিসু নঙাল্‌তনা,
তাঙ্গোয় ওল্লগে খন্‌লুবনা।
হাপ্পিরি থৌনা তৎতনা,
মতিক্‌ চঙ্খোল্বা ওইনবা।
লৈতে পান্দম্নিঙাই নঙগী,
ঐগী পুন্সি লান্‌ফম্‌দা।
য়েল্লি নঙগী নঙাল্‌,
চীঙলোন্‌ মাপন্‌ লান্না।
নঙাল্‌দা ইরোয়না শান্নরি,
মঙাল্‌ য়াওদ্রবা পুন্সিনা।
তাউথরি ইচেল্‌ লেপ্তনা,
মরিক্‌ চুম্লবা মৈঙাল্‌দা।
লৈতে পিনিঙায় নফম্‌দা,
নঙগী য়াইফবা নিবা নত্তনা।



CamScanner

## মীওইবা

মীনা মীবু পোক্‌পিরি,
মীনা মীবু হিংহল্লি,
মীনা মীবু চাউহল্লি,
মীনা মীবু নুংশিহল্লি।
মীনা মীবু অচৌ মচা খায়রি,
মীনা মীবু চিঙ-তম্ নাইহল্লি,
মীনা মীবু মপু মনাই শেম্বনি,
মীনা মীবু খাইবুং খাইবুং তাহল্লি,
মীনা মীবু লাইনিং তোঙালহল্লি,
মীনা মীবু চিংখৎলি মথক্তা,
মীনা মীবু চিংথরি লৈখাদা,
মীনা মীবু শেগাইরি শেবাক্ শানা,
মীনা মীবু ঈ মশেল্ নুংশিহল্লি,
মীনা মীবু ঈ মশেল্ চাইনাহল্লি,
মীনা মীবু লুচিংলি,
মীনা মীবু কিশিল্লি,
মীনা মীবু ৱায়েল্লি,
মীনা মীবু চৈরাক পীরি,
মীনা মীবু মায়থীবা পীরি,
মীনা মীবু ইকাইখুম্নরি,
মীনা মীবু হিংহল্লি,
মীনা মীবু হাৎতোক্লি।

## শজিবু চৈরাওবা

ঙসি শজিবু চৈরাওবনি,
শজিবু নোংমা পাম্বনি,
মীতৈ মলিয়া ফম্বালচানি,
কুম্‌জা মশিং ৩৪১৯ নি।
অনৌবা চহিনা লাক্লবদা,
নৌথোক্লি মীতৈ য়ূম-কৈ,
কোক্‌থোক্‌ চাম্‌থোক্লি অঙম্বামখৈ,
ফজবা অশেংবতনা লৈত্রেং লেংলি।
অনৌ অপেন্‌ মথেল্‌ মকোয়,
অহাও অথুম্‌ অঙম্বা লাঙলি,
হৈ লৈ মেক্রুক্‌ থাংমৈ কৎলি,
লৈশেম্‌ মপূগী খুয়া থাম্বাল মাম্বদা।
লৈকায় লৈকায় সেগা মায়গা,
অরৈবা ঙম্‌জবা য়েন্ননা চামিন্নরি।
পুন্সি নৌনা ৱাশক্‌ লৌমিন্নরি,
য়ায়ফা মরাঙ কায়বা পিনবিউ,
পুন্সি নুংশাং চজ্খোনবা পিনবিউ,
পিনরি য়ায়ফা পাউজেল অমগা অমগা।
অনৌবা চহি মানা লাক্লবদা,
অরিবা হুন্দোক্লুম্‌ অনৌবা শিন্নরে,
কাউথোক্লি লৈনখিবা পুখা লিংখা,
ফম্বিন্নরি পুম্‌কোই কোইনা পো লাইয়ুম মনাক্তা,
শিনরি লিকোন্‌ মরু তরুক খুৎকা খুৎকা,
পান্‌জল্‌ থোয়নবা লাক্কে মায়গৈ মায়গৈ,
য়া য়া লাউনৈ পো চারে ঙম্মে থোইরে।
মীতৈ চৎনবি অদুক্কী মতিক্‌ ফজৈদা,
লৈরম্মোয় অনিশুনা মালেম লৈকোয়দা।

## থাজবা*

থাজজৈ ঐনা নঙতবু,
অতৈনা থাজগেরা থাজরোয়গেরা,
নঙনা মীরাইগেরা মীরাইরোয়গেরা।
থম্মোয়দা চেজেৎ কোন্‌জরি,
খোঙফোম্‌ লেঙদনা লেপ্‌চরি।
অমক্‌পা অমত্তা য়াওজদে,
চিংনা-পরে অমত্তা লৈজদে।
মতম্‌ লৈবা খিবিক্তা নিঙজৈ,
অকাউনুঙ লৈতা লাইশোন্‌গুম্‌,
থব্বায় হক্‌চাঙ য়াওনা থাজজৈ।

চিরোন্‌ কয়া চংঙক্লি,
থাজরুনু কান্নবা ফংলোয়,
নিঙলুবগী করিমত্তা কান্নরোয়।
তাৎ ফাৎ তৌবা ঙাক্তনি,
অরেম্বদা মতম মাঙনবনি,
মচিন্দা খোয়হি তৈবনি,
মথম্মোয় হুমুক্‌ খাবনি,
শাজিনবা য়াম্মা হৈবনি,
অঙাওবা শেম্বা হৈবনি,
ওইজবা নঙগী শিৎকনি।

মদুদা ঐনা খুল্লি,
থাজবা মফম্‌দা লাই লৈবনি,
থাজদ্রগা লাই থিবা ফংদবনি।
থাজরগা লাইগী শঙনি,
থাজদ্রগা শায়োক্‌ য়ূম্নি।
থাজরগা লাই য়াওবনি,
লাই মানসু থৌজালবনি।
মরৈ য়েৎনরিঙৈ শাংবনি,
লোইবা খম্বা নাইদবনি,
লমখাঙদা লমহুক্না তোক্লগনি।

থাজজৈ ঐনা নঙতবু,
অতৈনা থাজগেরা থাজরোয়গেরা,
নঙনা মীরাইগেরা মীরাইরোয়গেরা।

## পুন্সি লান্‌ফম্‌

পুন্সি লান্‌ফম্‌দা মায়থীরবা লান্মী,
অৱা-অনঙ তেন্না পাল্লবা পুন্সি,
শকওয় শক্তা ইমক্ মক্সিন্‌লবা,
ৱাখল্-লৌশিং ইশান্ শাল্লু য়াদ্রবা।

পাল্লি তেন্ মথং মথং লেপ্পা লৈতনা,
অমগি অৱা চৈনা লোইথরক্‌পদা,
অমগা অমুক্ মনম্ মনম্ পাল্লরি,
হৌগৎপা লাক্লে মানা ফুগৎপা ঙম্নবা।

হৌজা হৌজা চিংথবিরি কোম্'দুদা,
লৈতে চঙজফম নঙগী কদায়দসু,
পীবিদে মমল্ কনানা নঙবু লুপামগী,
নাথৈরগা চৎখি উশিন্নদবা শারদুনা।

ষন অশিবা মনাক্তা লেপ্লগা প্রায়শ্চিত্ত নংঙি মতা,
ননাক্তা লেপ্পিনবা কনামতা উবা ফংদে,
লেপ্প্লু লেপ্লবদি লানংঙনি খনখ্রমাল্লে,
নাথৈরগা নিঙ্গোঙতবু কাংনা য়াঙক্লে।

নঙগী নখা ননাও ইনাক্ কৈরাক্ খুল্লি,
মাগী মনাক্ মরূপ মপাঙ পিক্ থল্লি,
মাদি বার্তোন্ ফংঙি চিথদনা ইতৎ তৎতনা,
ওইরবসু নঙনা চহি মতাংদা চাউজরবা।

পুন্সি লান্‌ফম্‌দা মায়থীরবা লান্মী,
অৱা-অনঙ তেন্না পাল্লবা পুন্সি,
নোংমদি অৱাবা কোক্লগনি ঙাইরি,
ঙাইনা ঙাইনা পুন্সি মদোম্ লোম্‌খি।



CamScanner

## মালেম লৈকোয়পুঙ

নিঙথিরবা মালেম লৈকোয়পুঙ,
কৌজৈ নচানা অনিসুবা পলেম ইমা,
হিংজরি নঙগী শেংলবা নুংশিৎতা,
কোক্‌থোক্‌ চাম্‌থোক্‌পীরি নঙগী লাইজনা।

য়োকপীরি নতাম্বাক্ত থৱায় পাম্বা পুন্নমক্‌,
খায়দে নফম্‌দা অচৌ মচা অনেম্‌ অৱাঙ,
অমুবা অঙৌবা শক্‌ ফজবা শক্‌ অথিবা,
শান্নজৈ নতম্বাক্ত চেন্না চোংনা শিন্‌ থুংনা।
হায়নৈ খোম্লাং নাম্মগী লমন্‌ শিংবা ঙম্লবসু,
নাম্মগী লমন্দি শিংবা ঙম্‌দে তাইবং কনানা।
নঙোন্দগী হৌরক্‌পনি নঙোন্দা লোম্লিবনি,
পুন্নমক্কীসু হৌরক্‌ফম্‌ পুন্নমক্কীসু চঙজফম্‌।

থিহন্‌লে ঙসিদি মালেম ইমাগী শক্লোন্‌ ফীজোল্‌,
থেল্লরে লঙজা ময়াম্না ইমাগী লৈকোয়পুঙ,
চোংথোক্রে কনামতা ইমাগী উকন্‌ লাঙনবা,
নৈহৎপিরে চাক্‌থেকহল্লে লৈশেম্‌ মপুগী পুকৈ।
কোক্লক্লে উমঙ-ৱামঙ শা-ঙা তিন্‌-কাংগী চাংসু,
হেনগৎলক্লি ঈশিং ইচাও ইকঙ অৱা নোংমা নোংমগী,
খুম্লক্লি লমন্‌ মপূগী খন্‌ কায়বগী চাং ইতৎ তত্তনা,
করম্বা মতৌ ওইরগদবা করম্বা লাংলোন্‌ লাক্লগদবা?

নিংথিরবা মালেম লৈকোয়পুঙ,
কৌজৈ নচানা অনিসুবা পলেম্‌ ইমা,
হিংজরি নঙগী শেংলবা নুংশিৎতা,
কোক্‌থোক্‌ চাম্‌থোক্‌পীরি নঙগী লাইজনা।



CamScanner

## অমুবা মুক্

মৈরিক্তগী মৈজাওবী,
মৈজাওবীদগী মৈরানবী,
মৈরানবীদগী অমাঙ অতা,
অমাঙ অতাদগী অশোক্ অপন্,
অশোক্ অপন্দগী লৈত-লায়রা,
লৈত-লায়রদগী তুফক্ তুফায়,
তুফক্ তুফায়দগী নাওশোন্ তুশোন্,
নাওশোন্ তুশোন্দগী ইকায় ইকি,
ইকায় ইকিদগী অৱা অনা,
অৱা অনাদগী চীরি য়াঙ্গংবা,
চীরি য়াঙ্গংবদগী চাক্লি ফিনিবা,
চাক্লি ফিনিবদগী হুরান্ চিঙ্খি,
হুরান্ চিঙ্খিদগী য়েক্লা লাঙ্গোয়,
য়েক্লা লাঙ্গোয়দগী কাওনা থীনা,
কাওনা থীনাদগী হাৎনা তূপ্লা,
হাৎনা তূপ্লবদগী নাক্ পাক্,
নাক্ পাক্তগী অঙম্ চানা,
অঙম্ চানাদগী ঈ-মশেল্ চায়না,
ঈ-মশেল্ চায়নাদগী লৈবাক্ ৱাথোক্,
লৈবাক্ ৱাথোক্তগী মহী লাঙ,
মহী লাঙবদগী মালেম্ ৱাথোক্,
মালেম্ ৱাথোক্ অকিবা মশক্,
অকিবা মশক্তগী পুৱারী লামায়,
পুৱারী লামায়দা অমুবা মুক্ তৈখ্রবা।



CamScanner

## নুংশি ঈপাক্

নঙদি নুংশি ঈপাক্নি,
ইথক্ ইপোম্ কাবনি,
ফজবগী তুংনফম্নি,
পুম্নমক্কী মিতাফম্নি,
মিফম্ ফাজিনবনি,
নুংশি ঈনোৎ হাপ্লিবনি,
মতিক চোন্না ঙাহ্নোয়বনি,
শিঙেল চরোং চঙ্খোলবনি,
মতিক্ ময়ায় অপাম্বনি,
য়েংলিমখৈ পেন্বা নাইদবনি,
অৱাৎ অপা লৈতবনি।

ঐনা নুংশি ঈরিক্ নিবনি,
হাপ্লিউ নুংশি ঈরিক্ খজিক্তং,
ফিগাও শানা য়াজরি।

হাপ্লিরি নঙনা খজিক্,
নুংশি ঈরিক্ ফংজরি,
লমন্তবু তোন্জরি,
নুংশি ঈরিক্না হিংজরি,
হিংবগি মহাও ওইজরি,
শৈরেং শৈদম্ শৈদাজরি,
মীমান্নবা অমা ঙম্জরি,
পান্দম্তবু ঙাইজরি।
নিরি নফম্দা ঙসিসু,
নুংশি ঈরিক্ খজিক্তং,
হিংজগে পুন্সি নঙগীতা,
শৈরেং শৈদম্ ইনা ইনা।



CamScanner

## উররোইদ্রবা মাবু

খংঙি অমুক্তংসু উররোইদ্রবা মাবু,
থিরি ঐগী থম্মোয়তনা হৌজা হৌজা,
অমুক্তং উনজবা ফংলগদ্রা পুন্সি ইরৈদা।

কুমজা কয়া নুমিৎ মশিং কয়া হৌখ্রে,
লেপ্তে ঙসিসু অমুক্ ঙাম্বা অমুক্ মম্বা,
লাংলোন কয়া লাক্‌খি অমুক হন্‌খি।
নাকেন্ থা লোইরদুনা অনৌবা মনা চোংলে,
কোকিলনা খোঞ্জেল্ থানা খোংলি কুহু কুহু।
হরাও কুম্মৈ মথং মথং মখল মথেল হৌখি,
নিংশিং নুমিৎ খোঙজোম্ ডে মেরা হৌচোংবা,
নিঙোল্ চাকৌবা মচু কুম্মৈ থাবল চোংবা,
লাই হারাওবা নোংজু থা ওলাং থা নিঙথম্ থা,
লেপ্‌চদে থিবা লৈশেম্মা শান্নবা কুম্মৈ মরক্তা।

খোংঙি মতম খোঙলৈনা পুদুনা চৎখিনি মাদি,
নুংঙায়বা ইপাক্তা তাউখিনি মশুঙ মমান্নবগা,
চানিঙবা চা শেৎনিঙবা শেৎ পায়নিঙবা পায়,
চৎলম্‌গনি খুজেং পালোয়ননা চান্নবাশিংগা।
অকাউনুঙ পরৈ চল্লম্লগনি তাম্‌খ্রবা মানা,
নিংশিংবগী মীকুপ্ ফংঙল্লোয় লম্লানবা ঐবু।

খংঙি অমুক্তংসু উররোয়দ্রবা মাবু,
থিরি ঐগী থম্মোয়তনা হৌজা হৌজা
অমুক্তং উনজবা ফংলগদ্রা পুন্সি ইরৈদা।



CS CamScanner

## লৌশিং চরোং

ঐঙোন্দা লৈরিবা লৌশিং চরোং-সে,
ইপা ইপু হাক্তক্‌তগী ফংজবনি,
শুরোন্ কয়া মমাঙদগী লৈরক্লবনি।

চাওথোক্‌চৈ ঐনা লৌশিং চরোংগীতমক্,
মচাক্ মরল্ শুনা য়াওরি লৌশিং চরোংদা।
শিজন্নরি লৌশিং চরোং মফম্ মতম্ চানা,
ঙশ্লি লাম্বা অচৌ অচৌবা শনজিং কয়াবু।
অৱাবা কয়া মায়োক্লখি লৌশিং চরোংতনা,
লাম্হোক্লি থোং চিংনা-পরৈ অমত্তা লৈতনা।

য়েক্লবা কয়া মায়থীখি ঐগী লৌশিং চরোংদা,
য়েক্লববু ওইহন্বা ঙশ্লি নুংশি মরূপলোয়দা।
তাইবং ওইনা হিংলি লৌশিং চরোং মঙাল্‌তনা,
নুংশি লৌনম্ কয়া কয়া মায়থীখি ইফম্‌দা।
অফ-ফত্তা হৌনা হৌনদে খঙলি লৌশিং চরোং,
অচুম্-অরান্ অৱা-নুংঙাই খায়রি লৌশিং চরোং।

ঐঙোন্দা লৈরিবা লৌশিং চরোংসে,
ইচা ইশুদা অমুক্ হন্না শিন্নজরম্‌গনি,
মখোয়নসু শোয়দনা মচা মশুদা শিন্নরম্‌গনি।

## নঙগীতমক্

নঙগীতমক্কি নঙগীতমক্ ঙসিসে,
কোরৌসু ময়েক্ শেংনা মঙাল্ য়াথোরক্,
নোংপোক্ মায়গৈ ঙাঙ্গাননা সনা মচু শঙক্।

নঙগীতমক্কি নঙগীতমক্ ঙসিসে,
চেক্লা সংগু মকোল্ থাদোক্লা পাইথোরক্,
মাগী মাগী হৈনবা খোঞ্জেল্না ঈশৈ শক্লক্।

নঙগীতমক্কি নঙগীতমক্ ঙসিসে,
হঙোয় তিল্ কাংসু ঈশৈ তাম্থা চানা খোংঙক্,
মলয়া নুংশিৎ ইথক্ ইপোম হৌনা শিৎলক্।

নঙগীতমক্কি নঙগীতমক্ ঙসিসে,
উহৈ ৱাহৈ মনা-শিংনা নোম্ নোম্ হায়রক্,
লৈখোক্কী লৈকাসু পোম্লম্বদগী শকায়রক্।

নঙগীতমক্কি নঙগীতমক্ ঙসিসে,
লীক্লানা লৈনাদগী ঈশিং মরিক্ খিক্তগী ঙায়রক্,
লৈনাগী লীক্লা মরিক্শু কোরৌ মঙাল্না ঙাঙলক্।

নঙগীতমক্কি নঙগীতমক্ ঙসিসে,
লৈচিন্ নোংফায়না ইকাই ফীরূক্ খুমক্,
তাম্লম্ ইমা লৈবাক্কী ঈপাক্ নঙগীতমক্কি নঙগীতমক্।



CamScanner

## লঙজ-খুবম্

মীগি মনাক্তা মীনা লেপ্লি,
শাগী মনাক্তা শানা লেপ্লি।
মীওইবনা মীগি লিচৎ চথলি,
শাওইবনা শাগী লিচৎ চথলি।
মালেম্‌দা মীগি মশিং হন্থরক্লি,
মী-শানা নোংমা নোংমা হেল্লক্লি।
মীরক্তা মী-শাসু তিল্লরে,
খায়দোক্‌পা ৱানা থোক্লে।
লাইগী লাইশং মশিং হেল্লক্লি,
লাইনিংবা শাবা মীসু হেল্লক্লি।
মীওইবনা মী অমা শেম্নবা লুচিংঙি,
মী-শানা মী-শা অমা শেম্নবা লোয়চেল্লি।
লাইনিঙ ফীজোন্ লৌবা ময়াম্নি,
ওইজবা থিবসু মশিং হেল্লক্লি।
লঙজবা ময়াম্ মপুঙ ফারক্‌পদি,
লঙজ-খুবম্ সোয়দনা ফংহল্লি।
অহিং তাংলৌ থেঙলিবামখৈ,
নোংঙাল্লম্‌দায় মতম্ মাসু তেল্লক্লি।
মীগি মনাক্তা মীনা লেপ্লি,
শাগী মনাক্তা শানা লেপ্লি।

## নুংশি কিশি

পোক্লক্লিবা মাদি পুন্সিগী অহৌবা,
লৈশেম্লোল্ মপূগী অথোয়বা খুদোল্,
শিনরক্পা থৌদাং লৌরি পুন্সিনা,
কোক্থক্তা হাপ্তুনা ঢথলি পন্থুং তম্না।

অশিবা মাদি পুন্সিগী অরোইবা,
নোংদম্খোল্ মপূগী শোয়ফদ্রবা,
পোক্পু পোক্লবদি নোংমদি শোয়দে,
ঙসি শিরগা হয়েং নিনি চল্লিদো।

ফজবা মাদি পুন্সিগী মচাক্লি,
ফজবা লৈবনা তাইবং হিংনরি,
ফজবদা থৱায়গী তুঙনফম্,
ফিদম্নিঙায় ওইরি নঙগী ফজবা।

নুংশিবা মাদি পুন্সিগী হৌনশা,
লৈশেম্ঙৈদগী লেপ্তনা চেন্থরক্লি,
নুংশি লৈবনা তাইবং ময়োন্ ইংলি,
নুংশি কিশি থদৎপা অৱাবা মশক্লি।

মরূপ মাদি লোয়নবা থৱায়,
চারে চামিন্নরি হিপ্লে হিপমিন্নরি,
থোক্লে থোক্মিন্নরি কোয়রে কোয়মিন্নরি,
থম্মোয় থম্মোয় পিননা হিংমিন্নরি।



CamScanner

## অশোয়বা

অশোয়বা লম্বিগী,
অশোয়বা মহৈনা,
অশোয়বা মপৈ পৈররে।
অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তনি,
অলাম্বগী অলাম্বা ঙাক্তনি,
পিক্ থল্লে ঙসিদি খুনায়সে।
অহোয়সু ইনোৎ পিরক্লি,
লেপ্তনা শৌগৎপা থোক্লি,
লম্‌হুক্লরবা লম্বীদা।
চায়নৈ অচুম্বগা অরাম্বগা,
নাক্ পাক্ তানরি,
ঈমু নাইমু তানরি।
নোংমা নিনিদা ওইখিবা নত্তে,
চহি চা কয়া শুনা শোয়খিবা,
চুম্‌থোক্লবা হোৎনরি লেপ্তনা,
শেংদোক্পা হোৎনরি লেপ্তনা,
কৈদৌঙৈ লোইগনি খঙদ্রবা।
মপি মপা ওইবনা শোয়রম্বা,
মচা মশুনা চৈথেং ফংলবা,
চুম্‌থোক্পা অলায়বা ওইদ্রবা।
অরাম্বা লম্বী থাদোক্লসি,
অচুম্বা লম্বীদা লেপ্‌হৌসি।
অশোয়বা লম্বিগী,
অশোয়বা মহৈনা,
অশোয়বা মপৈ পৈররে।

## শৈরেংবা

শৈরেংবা নঙনা শৈথাবনা,
লৈশেম্ মতিক্ ময়ায় চঙ্খোল্লি,
লৈকোল্ লৈরাং ফুগায়না শাথলি,
লৈরাং মখোয়সু লৈনম্ য়েল্লি,
নামিবা নুংশিৎ লৈকায় লাল্লি,

খ্বাংজেঙবা খোইমু তাঞ্জা লৌরি।
শৈরেংবা নঙনা শৈথাবনা,
থাবুং থাজবু কলক্ মীহৌরি,
থাজ মাসু মঙাল্ ফুদোক্লি,
থাজ মায়থোং অমক্পা থাংলি,
শানৌ ইতা শম্বল্ লান্না চথখি,
ইকায় ইকি তুং-ওইনা থম্খি।

শৈরেংবা নঙনা শৈথাবনা,
চিম্বাল্ শম্ব্রু মপা চান থুংলি,
শজি মীৎতা ঙম্জবী পান্দম্লি,
নীঙোল্ শম্লাঙ কোয়কক্লী,
মায়থোঙ থাজগা পান্দম্লী,
থম্বৌ খুৎতা ঙম্জহল্লী,
কাঙা খোঙথাং থাংহল্লী।

শৈরেংবা নঙনা শৈথাবনা,
তুরেল্ ইচেল্ নাকোয়ননা চেল্লি,
লাইজ-ইচেল্ ইপাক্ তম্মক্লি,
তুরেল্ ফীবান্ লৈচন্ শুনা শাথলি,
ইরোল্নুংদা লেম্লে ঙাসু শানরি,
লাইজ ইথক্ ইপোম্ কারি,
ফীবান্ চোন্না কোয়না চেল্লি।

শৈরেংবা নঙনা শৈথাবনা,
নুংশি মৈচাক্ মৈরী ফনা চাক্লি,
কায়না মৈচাক্ অৱাবা খাঙ্নফম্,
নুংশি শৈথা মচল্ শুনা শক্লফম্,
মপাঙ কায়নবা কয়াগী পোথাফম্,
শাবী শানৌ কয়াগী কেনা মৌনফম্,
নিংথিবা পুক্চেল পুবগী ইতিন্ফম্।



CS CamScanner

## নিঙবা কায়বা

তপ্পা তপ্পা শাগৎচবা মরি,
মতম্ কয়া চঙনা হোৎনখিবা,
ঙসি ঙরাংদা ওইবা নত্তে,
নোংমদা ওইথোক্পা নত্তে,
চহি কয়া চঙনা হোৎনখিবা।

অমনা মহুৎ শিন্নবা য়াখিদে,
থবায় হক্চাং য়াওখি,
লৈজবা মতিঙ ফুদোক্খি,
পুন্সিগী লম্দাংনি খনিখ,
লাইসোন্তবু ওইনা নিঙখি।

অদুবু নিঙবা কায়বা ওইরক্খি,
অমুক্ তপ্পা তপ্পা মমি শামক্লি,
নিঙজরুবা অরেম্বা ওইরক্লি,
অরেম্বদা পুন্সি লম্হুক্লরি,
অমুক্ নৌনা মঙ মঙনিংদ্রে।

অকিবা চিংনবা নুংনাংবা পোক্হল্লে,
নিঙবা কায়রবা পুন্সি মপোক্লি,
পেন্থোক্পা হায়বা ঙম্দ্রবা মপোক্লি,
খোয়দাজরুবা মানা লাপ্থোক্খিবদা
অমুক নৌনা মঙ মঙনিংদ্রে।



CamScanner

## ইমা

ইমা ঐ হৌজিক্ ঙন্না হৌগৎলে,
হান্নগুম্না পুঙ তরা তারগা হৌগৎত্রে।
ইমানা হৌদোক্পি হৌগৎলো হৌগৎলো,
নপা নমা ঐখোয় লৈরিঙৈসিদা,
নশা নশাদো মী অমা ওইনবা হোৎনজৌ,
ঐখোয়না লৈখিদ্রগা খঙলক্কনি নখোয়।

ইমা ঐ হৌজিক্ ঙন্না হৌগৎলে,
হান্নগুম্না পুঙ তরা তারগা হৌগৎত্রে।
ইমাগুম্না কনানসু হৌদোক্পা চঙনদ্রে,
তূম্দুনা লৈথোক্পগী মতম্ ফংদ্রে,
থবক্ ময়াম্না ইশাদা তুম্না থিন্বগুম্,
তূম্লিঙৈদা ইশাদা চক্ চক্ থিল্লরে।

ইমা ঐ হৌজিক্ ঙন্না হৌগৎলে,
হান্নগুম্না পুঙ তরা তারগা হৌগৎত্রে।
ইমানা মমাঙ পাৎতা লৌ লিংবা চৎপা,
খোঙ খূৎতা তিস্ফা চরোং চরোং নপ্পপ্পা,
তিন্ থাক্লা ফ্রেং ফ্রেং চোংলগা লৌথোক্পা,
লৌ লিংদবদি য়াখিদবগি ৱারি লিখিবা।

ইমা ঐ হৌজিক্ ঙন্না হৌগৎলে,
হান্নগুম্না পুঙ তরা তারগা হৌগৎত্রে।
ইমানা অয়ুক্ য়েন্দা অঙনবদা হৌগৎলগা চেম্বাক্ শুখিবা,
পিক্লিবা অঙাং নৱা নম্গন্দা পোশিন্খিবা,
অরাপ্পা কৈথেল্দা নপাবুঙনা য়োম্বা পুখিবা,
য়াম্না ৱানা চাক্ চারা নোংহন্নবগী ৱারি লিখিবা।

ইমা ঐ হৌজিক্ ঙন্না হৌগৎলে,
হান্নগুম্না পুঙ তরা তারগা হৌগৎত্রে।
ইমানা ইচিন্নাও মরিবু তাইবং ফাওনবা য়োক্খিবা,
হৌজিক্তনি খজিক্ খজিক্ নিঙ নিঙ লাউরিবা,
নখোয়সে মী ওইনবা হোৎনবদা শরু য়াঙ্ তুম্খিবা,
মীগুম্না  হরাও কুম্মৈ অয়াম্বা চৎখিদবগী ৱারি লিখিবা।



CamScanner

ইমা ঐ হৌজিক্ ঙন্না হৌগথলে,
হান্নগুম্না পুঙ তরা তারগা হৌগথত্রে।
ইমানা নচা নমৌশিংগা অমুক্তং নুংঙাইনা পানৃগে খনৃখিবা,
মীগা মীমান্ননবা নরে নয়া চিক্নুনা তাইবং অৱাবা লেনৃখিবা,
কদায় চথখ্রে ঙসিদি ঙন্তানা লাইগী খুয়া তানৃখ্রবা,
নচানা ইমাগী খোল্লাং লমন্ শিংবা লোয়দনা।

ইমা ঐ হৌজিক্ ঙন্না হৌগথলে,
হান্নগুম্না পুঙ তরা তারগা হৌগথত্রে।
লৈশেম্ মপূগী খুয়াখাদা ইংনা চিক্না লৈবা ওইয়ু ইমা।

## লুপা

লুপা নঙদি অনিশুবা লাইনি,
চৎহন্নিঙম্বা মফমদা চৎলিবা,
য়ৌহন্নিঙবা মায়কৈদা য়ৌরিবা,
নঙবু নিঙবা মফম্দা তুঙলিবা,
নঙবু থৌওইদবা মফম্দা হাঙলিবা।

লুপা নঙদি অনিশুবা লাইনি,
নঙনা শান্নবা কুম্মৈ অকিবা মশক্লি,
হায়নৈ লৈকং লাইসু ময়া কাথোক্লি,
লুপানা লাইশু মতিক্ ময়ায় হাপ্লি,
ঙসিনা মাগী হয়েংনা ঐগী ওইরি।

লুপা নঙদি অনিশুবা লাইনি,
অথিবা মশক্ ওইরম্বসু ফজথোক্লি,
নঙনা লৈবদা মরূপ মপাঙ রাৎতে,
মীহৌ করাম্বা পোক্হল্লি নতিক্ নয়ায়তনা,
নঙদি লৈরিমখৈ পেন্না কৌবা নাইদে।

লুপা নঙদি অনিশুবা লাইনি,
হকচাংদা চেল্লিবা  শিংলিগী ঈরিক্লি,
তাইবং কয়াৎতা ঈরিক্ চেল্লক্রবদা,
মীওই তুফক্ তুফায় মচু থোক্তবগুম্নি,
থাজদা কোরৌ নুমিৎ মঙাল্ তাদবগুম্নি।



CamScanner

খৌরাংবা

লৈকোন্দা শাৎলিবা লৈরাংলক্তগী অথোয়বা,
তিংখং কিবনা ননাক্ নক্পা কিনরিবা,
খৌরাংবা পোক্হল্বা ঙম্বা নঙগী ফজবা।

তুরেল্ ইচেল ৱাঙমদা ঙাম্ণোইরিবা লৈরায়,
লাইজ ঈচেল ইরৈ শাফু অকন্বা ওইরিবা,
খৌরাংবা পোক্হল্বা ঙম্বা নঙগী চীঙলেম্বা।

শংবানরবা অতিয়াদা ঙাম্ণোইরিবা থাজও,
থৱান্মিচাক্লক্তগী নাইতোম্ ঙাল্লিবা,
খৌরাংবা পোকহল্বা ঙম্বা নঙগী নঙাল্।

খৌরাংবতনা থল্লবা তাইবং মীওইবা,
মপোক্ চাম পোক্লবসু খৌরাংবদি কোক্লোই,
মপান্ ঙম্খৈ লৈতে নঙগী খৌরাংবা।

অচৌ অশাং শানিঙবা ঙাক্ত,
চানিঙবগী চানিঙবা ঙাক্ত,
থোক্লিঙবগী থোক্লিঙবা ঙাক্ত,
শেৎনিঙবগী শেৎনিঙবা ঙাক্ত,
পায়নিঙবগী পায়নিঙবা ঙাক্ত,
লৌনিঙবগী লৌনিঙবা ঙাক্ত,
য়েংনিঙবগী য়েংনিঙবা ঙাক্ত,
মহাও নঙগী তংনিঙবা ঙাক্ত।

অকন্বনা তুশোন্ববু নৈহৎপিরগা থল্লিবা,
য়াওল্লোয় লান্মীনা পাল্লিবা নিঙতম্বা,
খৌরাংবা পোক্হল্বা ঙম্বা নঙগী কাংলোন।

## ইপা ইমা

ঐবু অপোক্পা ইপা ইমা,
ঈবু পাথোক্লি হায়বনা ইপা,
ঈবু মাথোক্তনা থম্খিবনা ইমা,
তাইবং মঙ ফাওহন্লিবা অনিবু,
কাউজদে মতম্ লৈবা খিবিক্তা নচানা।

ঐবু অপোক্পা ইপা ইমা,
মশক্ ফনা থীবা ওইজশনু,
লাইরিক্ ময়েক্ ফাওদবা ওইজশনু,
মিংচৎ মরিক্ অমা লৈতবা ওইজশনু,
লাইর লৈশা মশক্ ফনা ওইজশনু,
কাউজদে মতম্ লৈবা খিবিক্তা নচানা।

ঐবু অপোক্পা ইপা ইমা,
চাক্লি ফিনিদুনা চারা নোংহন্নরসু,
ফিজেৎ ফীগায় শেৎতুনা লেন্লবসু,
মীচম্ মীনায় নায়থং নায়জরবসু,
মীলৈ চালৈ মথোঙ মরম্ চাজদ্রবসু,
কাউজদে মতম্ লৈবা খিবিক্তা নচানা।

ঐবু অপোক্পা ইপা ইমা,
পিক্লিবা নৰা ঈঙাং চাউনবা য়োক্লিবা,
ঈগী মতূম্ ঙাক্ শেন্বদা ৱাজরক্লবা,
অৱা মৈশা কয়া লাংদুনা লাক্লবা,
শিংথাদুনা লোইবা খম্বা নাইররোইদ্রবা,
তাইবং মঙ ফাওহল্লিবা অনিবু,
কাউজদে মতম্ লৈবা খিবিক্তা নচানা।



CamScanner

## মীওইবা

হংলিবসি নঙোন্দনি খুম্মু,
নঙ হিন্দুরা, মুসলিমরা, খৃস্টানরা, বৌদ্ধরা?
খুম্লি মানা, ঐদি ঈ য়াম্না থোক্লে।

হংলিবসি নঙোন্দনি খুম্মু,
নঙ কনাগি মপূনো, মপানো, মচানো, মশুনো?
খুম্লি মানা, ঐদি চৈনা খাঙবা য়াম্না ৱারে।

হংলিবসি নঙোন্দনি খুম্মু,
নঙ ককেশাসরা, এরিয়ানরা, মঙ্গোলীয়রা, ইউরোপীয়রা?
খুম্লি মানা, ঐদি থৱায় পুবা ঙম্মোইদৌরে।

হংলিবসি নঙোন্দনি খুম্মু,
নঙ ইনাকখুন্বরা, লায়রবরা, মপূরা, মীনায়রা?
খুম্লি মানা, ঐদি চরমসে ইকং কংঙক্লে।

হংলিবসি নঙোন্দনি খুম্মু,
নঙগি লৈফম্ শাৎফম্ মফম্ কদায়দনো?
খুম্লি মানা, ঐদি ঈশিং খৌরাংলে খজিক্ পিথক্পিউ।

হংলিবসি নঙোন্দনি খুম্মু হে মীওইবা?
নঙোন্দা চেল্লিবা ঈদু ঐঙোন্দসু চেল্লিবনি,
মীওইবা – ঐদি তাইবং মীওইবনি মীওইবা।

## হক্‌চাং

থৱায় পান্বা কৈয়াৎ পুন্নমক্,
শিংলিদা চেল্লিবা ঈরিক্ পুন্নমক্,
উন্‌শানা কূপ্লিবা থৱায় হক্‌চাং,
কায়াৎপু শাথৌরিবা থৱায় মপূ,
নুংশা-শ্বোর হোন্দোক্ হোন্‌জিন্ শানহল্লি,
পুন্নমক্‌পু নচানি খন্দুনা কোম্বিরি,
থম্লি মরি পুন্নমক্কা নুংশি লংলা,
মীচঙ মীখায় নাইদনা নুংশি নঙনা।

মতিক্ ময়ায়তনা চঞ্জোল্বা কোঙ্গায়নি,
মতিক্ ময়ায় য়াওদবাসু ময়াম্মনি।
ঙসি শিরগা হয়েং নিনি চল্লি,
লাক্‌পা হন্বা কুম্মৈ শান্নহল্লি,
অহান্ অকোন্ মথং মনাও নাইহল্লি,
অৱাঙ অনেম্ অচৌ মচা ফীদম্লি,
অহিঙবা অচঙবা শক্তম্ খায়রি,
অহিঙবদা অহিঙবগী থবক্ শিনরি,
অশিবদা অশিবগী চৈথেং পিবিরি,
খঙবা ঙম্‌দে কনানা নঙগি লাংলোন্।

করিগি শেম্লিবনো অদুক্ লৈনুঙ হূৎনা?

## ওইজবা থিবা

ওইজবা থিবা লাক্পদি,
কুম্মৈ শান্নজরো থারক্পদি,
শেলেপ্ মাঙদুনা হন্লদ্রা?
শেন্দোঙ উদনা হন্লদ্রা?
লঙজবা নংবা থোক্লদ্রা?

ফোংঙম্দনা ফোঙলবা,
তাইবং মপোক্তি,
অথোয়বা মপোক্লি।
পাখোন্ ময়াম্ চল্লক্লি,
পোরম্ ময়াম্ শিন্নরক্লি।

লম্বী লম্জঙ মশিং থীঙম্দে,
কৌরি লেপ্তনা লম্জঙ ময়াম্না,
খোন্ফম্ থোক্তে,
করম্বনা অচুম্বনো,
করম্বনা অরান্বনো।
অরায়বদি ওইথোক্তে।

লুরবা লুরবা পাউখোন্ ঙাক্তনি,
চুম্না চৎলে অচুম্বা মহৈ য়াল্লি,
লান্না চৎলে পুন্সি অরেম্বা তারি।

লায়না খল্লে লায়রবা মহৈ ফংলি,
লুনা খল্লে অলুবা মহৈ ফংলি,
মান মান লম্জিঙবা মায়গৈদা পুবিরি।

হন্দবা য়াদবা তাইবং মপোক্লি,
হোৎনবা কন্বনা খজিক্ শেন্দোং মশক্ উরি,
ওইথোক্তে শেন্দোং অরান্বা লম্বিদা।

ওইজবা থিবা লাক্পদি,
কুম্মৈ শান্নজরো লাক্পদি,
শেলেপ্ মাঙদুনা হন্লদ্রা?
শেন্দোং উদনা হন্লদ্রা?
লঙজবা নংবা থোক্লদ্রা?



CamScanner

## লৈচিল্লক্তা

কুম্‌জা মশিঙ য়াম্মক্লে ঙাইজবা,
নোংমদি লেপ্পগনি সোয়দনা ইমাঙদা,
খঙদে কৈদৌঙৈ শুরগনি তান্‌জা মশিঙ।

মালেম্‌ লৈকোয়পুঙ কোয়রক্‌ কোয়রি,
লাপ্পা কোয়না অরাপ্পদা চৎখ্রবসু মানা,
কোয়না কোয়না অমুক্তি হন্‌লক্কনি ৱাখল্‌দা।

ঙাইরি ঙসিসু মায়গৈ হারমৎবু য়েংদুনা,
চোক্‌থবা লৈত্রি হক্‌চাঙ পাঙ্গল্‌ ঙসিসু,
খোঙফম্‌ লেংদনা চপ্‌ য়ুংনা লেপ্লি।

ৱাখল্‌ মাদি য়োল্লিঙনা কিদুনা থম্বা য়াদে,
চঙদে মঙোন্দা য়োল্লিঙগি শম্বল্‌ খাজিন্বা,
চৎখি মনাক্‌ তম্না ঙাইহাক্‌ লৈতনা পাইদুনা,
শক্‌মিন্নরি ঈশৈ শৈরেং চীঙয়াগি লৈচিল্লক্তা।

খঙদে মাসু ঐনা খল্লিবগুম্‌ খল্লমগদ্রা,
থম্মোয়নুংদা চাক্লিবা মৈশাসে লাঙম্‌গদ্রা,
নত্রগা চীঙয়া তম্বা কনাগী থম্মোয় ওইরম্লগদ্রা,
নত্রগা মীথকি মরুম্‌ থুপ্‌খিবনা কাউরম্লগদ্রা?

কুম্‌জা মশিঙ য়াম্মক্লে ঙাইজবা,
নোংমদি লেপ্পগনি সোয়দনা ইমাঙদা,
খঙদে কৈদৌঙৈ শুরগনি তান্‌জা মশিঙ।



CamScanner

## মৈচাক্

চাক্কদবা ময়াম্ চাক্লা লোইখ্রে,
অতৈ অহেন্বা চাক্লিঙাই লৈত্রে,
তাঙ্গোয় মপৈ ওন্গদবতা ঙায়রে।

পাঙ্গল মতম্ ফরিঙৈ তান্জাদা,
অয়িঙ অশা তুজুংবা লৈখিদে,
ব্রাখল্না য়ুংবা মফম্দা য়ৌরুরি।

লোইবা খম্বা নাইদ্রবা লম্বিসে,
য়ৌগদবা মফম্ কয়ামা য়ৌরুরে,
অতৈ য়ৌবা ঙম্গনি থাজদরে।

চাক্তারুবা চেক্লা সঙ্গু মকোল্ তমক্লে,
কোরৌসু নোংদোল্ থক্-খা কোয়দুনা য়াচঙ্লে,
ঙাম্রানবা মচুনা মালেম্ লৈকোয় শঙক্লে।

পুক্লিঙ মাসু চপ্ য়ুংঙু য়াদ্রে,
খোঙকাপ্ অমা মাঙদা থাংবদা,
খোঙকাপ্ অনি তুংদা চিংথরে।

ব্রাখল্ মাসু মমি শামক্লে,
পলেপ্ফম্ খঙদনা ইতোম্ কঙাওনরে,
চৎকদবা লম্বি চৎখিদবনা লম্হুক্লরে।

চাক্কদবা ময়াম্ চাক্লা লোইখ্রে,
অতৈ অহেন্বা চাক্লিঙাই লৈত্রে,
তাঙ্গোয় মপৈ ওন্গদবতা ঙায়রে।



**লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র (মনি অবুজম)**

লুৱাংচা অবুজম মনিভদ্র, মীয়াম্না মনি অবুজম হায়নসু শকখঙবীবা, ১৯৬৮ খ্রিষ্টাব্দগী ফেব্রুয়ারি ১দা মৌলভীবাজার জেলাগী কমলগঞ্জ উপজেলাগী মনুঙ চনবা হোমেরজান (নীলকুঠি) কৌবা খুলদা পোকখি। অপোকপগী মিং অবুজম ধবল মীতৈ, অপোকপী পলেমনা অবুজমওংবী হাওবম চাওবীহল। বিকম পাশ তৌরবা'তুংদা `Health, Education, Economic Develop[ment (HEED) Bangladesh' কৌবা এনজিও অমদা চহী তরামঙা থবক তৌরম্মি। মথংদা রাণীরবাজারদা লন্নায়গী ফার্মেসী 'সানা মেডিকেল হল' হাংদুনা থবক তৌরি। ২০১১দগী ২০১৩ ফাওবা দয়াময় সিংহ হাই স্কুলগী ম্যানেজিং কমিটিগী মেম্বার ওইনা থবক পুখি। মরী লৈনবা মরূ ওইবা ওর্গেনাইজেশনশিংদি—বাংলাদেশ মণিপুরী যুব সমিতি (বামযুস)কী কমলগঞ্জ ব্রাঞ্চকী জেনারেল সেক্রেটারি, `International Manipuri Association (IMA), Central Committee গী Addl. General Secretary অমসুং বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বামসাস), কমলগঞ্জ ব্রাঞ্চকী ভাইস প্রেসিডেন্ট ওইনা ফম পুবিরি।

মমাঙ থাবদা য়ুম্লাম চাউবগা পুন্না শৈরেং অমসুং ৱারেং য়াওবা লাইরিক অহুম 'মৈঙাল', 'ঈমা' অমসুং 'মালেম ঈমা' ফোঙখ্রে। হন্দক্কী লাইরিক 'লৌনম লাংদা থুরবা' অসিনা লন্নাইগী নাইতোম ওইনা ফোঙবা অহানবা শৈরেং লাইরিকনি।



**Lounam Langda Thuraba**

by Luwangcha Abujam Manivadra

(Mani Abujam)

Bangladesh Manipuri

Sahitya Sangsad, Sylhet

CamScanner